মণিপুর গৌর লীলা




অইবী:
শ্রীমতি থোকচোম নিংভোল বৃন্দাশাবী দেবী

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯒꯧꯔ ꯂꯤꯂꯥ

মণিপুর গৌর লীলা

অইবী ঃ

শ্রীমতি থোকচোম নিংঙোল বৃন্দাশাবী দেবী



First Edition : 20th July, 2008

Price : Rs. 200/-

Copies : 500

Design : *Mutum Dorendro Singh*

In-Charge of Publication : *Toijam Shila Devi*

Publisher : Prospective Repertory Theatre Manipur, Nambol

Printed at : R.R. Offset Printing Press. Newcheckon Second Street.

Books available at all leading book sotres.

MANIPUR GOUR LEELA

Writer :-

Smt. Thokchom Ningol Brindashabi Devi

(Sangeet Natak Akademi Awardee)

Thangmeiband Hijam Dewan Leikai,

Imphal West, Manipur.

Publish by :

Prospective Repertory Theatre Manipur,Nambol

ওঁ গৌরচন্দ্রায় নমঃ ।।

ওঁ ভগবতৈ বাসুদবায় নমঃ।।

ওঁ কৃষ্ণ ভক্তায় চরন বৃন্দং নমঃ ।।

য়াওফম তাকপা

অফোংবগী মাইকৈদগী ৱাহৈ খরদং

মণিপুর সমাজদা মতম অমদা অচৌবা কলাগী শরুক অমা ওইদুনা মশিং খংদনা শান্নরমখ্রবা গৌরলিলা অসি মতমগী যাওল অমদি অহোংবগী মতুংইন্না লমদম অসিগী লৈমাইদগী তপ্না তপ্না মমি শামথখ্রে। লোইননা কলা অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপিরম্বা ওজা- গুরু কযাসু মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ তুংইন্না তপ্না তপ্না ঐখোয়গী ইরক্তগী চৎখ্রি। ইশিন্দুনা থম্বগী হৈনবী লৈত্রিবা ওইবনা ঐখোযগী মরুওইখ্রবা মমল য়াম্লবা কলাগী হৌবকফমগী ৱারি অমদি মচাকশিংগী অৱাৎপা অমদি মতমচুপ্পদা তৎতনা থেঙনরবনি। অৱাৎপা অসি খরদা ওইরবসু মেনশিনজনবা হায়দুনা হিরম অশোমদা চহি কয়া তোঙান- তোঙানবা ওজা- গুরুশিং অমদি মীয়াম অমা লোইনরক্লবী গৌরলিলাদা পুন্সি কৎথোক্লবী গুরু ইমাইবেম্মা শ্রীমতি থোকচোম নিংঙোল ব্রিন্দাশাবী দেবীনা মহাক্না থেংনরকপা মচাকশিং অসি তাশিন্দুনা লাইরিক অমা ওইনা তুংগী মীরোলগীদমক পুথোকপিরক্লিবা অসি অসুক্কী মতিক মমল নাইদবা পোৎশক অমনি হায়না লৌজে।

স্কোলাব অমগী মীৎয়েংদগী ইরকপা লাইরিক নৎত্রবসু কৎথোকপগা লোইননা কালা অসিগী খোঙ্গুল লিকলম ওইননবা ইবিরম্লিবা খরা অসি অসুক্কী মতিক মমল য়ামখ্রে খনবদগী মীয়ামদা খুৎশিন্নজনবগী খুদোংচাবা অদু প্রোস্পেপটিভ রেপরটোরি থিয়েটর মণিপুর নম্বোলনা লৌজবখক্তনি। মনুংগী ৱাহৈ- ৱাতা অমদি ইবগী থবকশিং অসিদা শেমদোক- শেমজিন তৌবগী খুদোংচাবদি লৌজদে। অদুবু করিগুম্বদা নমথোক- নমশিন তৌবদা ৱাহৈ- ৱাতা, বনান লানখিবা, শোইখি ঙামখিবা অয়াওবা পুম্নমক লাইরিক অসিবু নুংশিবীদুনা পাবিরিবা খ্বাইনা হাযবি তাকপিরকপা অমদি পীবিরকপা পাউতাক খুদিংমক হরাউ- হবাউ লৌশিনজদুনা মথংগী খুৎনমদা শোইদনা শেমদোকচগনি হঙ্গৎচবি।

পুথোকচরিবা লাইরিক অসিদা অৱাৎ- অপা কয়া য়াওবা, অচুম- চুমদ, অফ- ফত্তগী বিচারনচিংবা শোয়দনা লৈগনি। পাক- চাউখ্রবা লিলা অসিগী মাগী মাগী হিরম অমমমদা খঙ- হৈরবা ওজা- গুরুশিংগী মফমদা লৈবা মচাকশিং ৱবমখৈ খোমজিনজদুনা পুথোকপিরকপা ইমাইবেম্মগী লাইরিক অসি মীয়াম্না নুঙশিবীদুনা পাবিয়ু, নৈনবিয়ু হায়দুনা খুদোল তমজরি।

কুমারি তোইজম শীলা দেবী
ডাইরেক্টর
প্রোস্পেপক্টিভ রেপরটোরি থিয়েটর মণিপুর,
নম্বোল

ৱাহৈ খরাদং

মণিপুর গৌর লীলা অসি হিন্দু বৈষ্ণব সম্প্রাদায়গী অবতারমক্কি হায়না লৌনরিবা শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভূগী জীবন চরিত্রদা য়ুমফম ওইবনি। লীলা অসিগী শান্নবা মওংনা সঙ্কীর্ত্তননা য়ুম্ফম ওইরগা মপৃং ফাবা সঙ্গীতকা লোয়ননা দাইলোগ অমসুং অভিনয়গা লোয়ননা শান্নবা লীলানি। গৌর লীলা অসি সেদুল ত্রাইব অমসুং সেদুল কাস্তশিংনসু কৎনৈ।

জাৎ অফবা- অতোনবা, হিন্দু- মুসলমান অসিনচিংবা ধর্ম্ম পম্মমক্কী মীওই কাংলুপ পূম্নমক্তা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীদুনা থৌজানবিরম্বা জগৎ জীববু ঈংনা চীক্লা পান্ননবা লমজিং লমতাকপিরম্বা লাইপোক অমগী চরিত্র, লীলা য়েকপা হায়বা অসি অরায়বা থবক নত্তে, অদুগীসু মথক্তা ঐগুম্বী মীশক অমনা শ্রীগৌরঙ্গ মহাপ্রভূগী লীলা ইবদা মতিক চাদবী ওইবনা অশোয় অঙাম য়াওরোই হায়নিংঙাই লৈতে।

মৈদিঙু চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তগী হৌদোকপিরম্লবা ইতিহাসিক ওইবা গৌর লীলা অসিগী ৱারি শিংখুলশিং অপুনবা শক্তম ওইবা অফোংবা লাইরিক ওইনা লৈরমদ্রবসু মণিপুরগী লাইগুরু কয়াগী মফমদা চোইজাইননা মরাঙ কায়না লৈরম্মী।

গৌর লীলা অসি অহানবা হৌগৎলকপদদি য়াম্না তেন্না নিমাই সন্যাসকী মতেক খরাদং শান্নরম্মী, চৈতন্য লীলামৃত, অমিত্ত নিমাইনচিংবা লাইরিকশিংদগী লৌখত্তুনা মথং মথং হাপকৎলক্কুনা সার চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদদি মপুঙ- মরৈ ফাগৎখি, নুমিৎ হুমনি ফাওবা শান্নবগী থাক য়ৌখিরম্মী।

মমাংঙৈগী মতমদা মতম শাংনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা গৌর লীলা, উদুখোল লীলা, গোষ্ঠ লীলা অমসুং কংস বধনচিংবা লীলা য়াম্না কুঙনা কৎনরম্মী, শান্নরম্মী। মণিপুরদতা নত্তনা অসাম, কছারগী মফম কয়াদসু লীলাশিং অসি কৎনরম্মী, শান্নরম্মী। হৌজিক্তি লীলাশিং অসি য়াম্না তাঙনা শান্নরে।

গৌর লীলা- কৃষ্ণ লীলাশিং অসিদা মরুওইবা সান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসাল অমসুং মধুর রসশিং য়াওই। অয়েংবা অমসুং অতাবশিংনা লীলা অসিগী দর্শন অসি কুপশিন্না য়েংলবদি লীলা অসিদা সভ্য জগৎকী ওইবা ইথিল অমা য়াওরি। গৌব লীলা অসিনা মীওইবা সমাজদা ঈংনা চীক্লা পান্ননবা শান্তি রক্ষ্যাগী চাউরবা পাওজেল পীরি।

জৱহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী পোষ্ট ডিপ্লোমা কোর্শ অহুমশুবা চহীদা শ্রীকৃষ্ণ- উদুখোল লীলা, গৌষ্ট লীলা অমসুং গৌর লীলা সবজেক্ট অহুম পুন্না তম্বনা মরম ওইদুনা চহী অমগী সেলেবসকী য়েংদুনা গৌর লীলাগী মরু মরুওইবা খরা খক্তং খনগৎচদুনা পাঙদবী ঐনা ওঝা গুরুনা তম্বীরম্বা, লাই গুরুশিংগী মফমদা চোইজাইননা লৈরম্বা ৱারি- শিংখুল, গৌর লীলাগী সেমিনার অমসুং কনফরেন্স কয়াদগী ফংজরকপা কয়াদগী লৌখৎচদুনা চহী অমগী কোর্শকীদমক পরম পরাসু খরা শোক্লা বাঙ্গলা অমসুং মণিপুরী লোন য়ান্ননা ইজরে।

পাঙদ্রবী ঐনা ইজরিবা অসিদা করিগুম্বা অশোয়বা অমদি পেনবীদবা য়াওরম্লবসু পাবিরিবা তাবিরিবা সদজলশিংগী ঙাকপিহৈবা গুননা ঙাকশীগনি। ইচা ইচল অমাগুম খনবিদুনা তাকপিরকপদা হরাওনা ওকচগনি, মথঙগী খুৎনমদা শেমদোকচগনি, পূম্নমক্কী মফমদা নোল্লুকচরি।

নোল্লুকচরিবী ঃ-

শ্রীমতি থোকচোম নিংঙোল বৃন্দাশাবী দেবী

মণিপুর গৌর লীলা

গৌরলীলা শান্নবা অসি গৌরলীলা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা নুপামচা/ নুপীমচা পালা ওইরবসু লৈ মচুগী ফেজোম ফিজেৎ শেত্তুনা হৌনবী সঙ্কীর্ত্তন শক্কনি। সঙ্কীর্ত্তন লোইরগা গৌরলীলা হৌগনি।

শুত্রধার :- মোইবুং খোংবা, পুং য়ৈবা, রাম তাল পাইবা অমসুং যন্ত্র পায়বাশিং, লৈ- চন্দন অমসুং বরিবগী হৌনবী লোইবগা মোইবুং খোংবগা লোয়ননা বাগ হৌগনি।

বাগ তাবা :- সূত্র শ্লোক বন্দনা।

অজ্ঞান তিমিরন্ধেস্য জ্ঞানা ঞ্জনা শলা কয়া,

চক্ষুর উন মিলিতং যেন তস্মৈ শ্রীগুরুবে নম।

অখিল ভূবন ভ্রাতা দূর্গতি ত্রান কর্ত্তা কলি কলুষ হন্তা নিরবধি গুন গাথা, কীর্ত্তনন্দ দাতা স্ফুরতু নতেন্দ্র শ্রীনদ্বিপ চন্দ্রৌ।

গৌরা আবহন

প্রনতি করিয়ে শ্রীশচীরনন্দন গৌর।

এসহে .... এসহে ত্তএসহে শচীরনন্দন গৌরা।

এক তাল

এস দুটি ভাই গৌর নিত্যাই দ্বিজমনি দ্বিজরাজহে।

দ্বিজ কুলের শিরোমনি এস দ্বিজমনি দ্বিজরাজহে।

অখিল জীবেরগরু প্রেম ভক্তি কলপ তরু।

পুজিব চরন এই অকিঞ্চন রখিব হিয়ার মমারে।

মন তুলসী ভক্তি চন্দন দিয়ে রাঙা চরন পূজা করিব।

(তাল থুজিন্না): গৌরহে গৌরহে গৌরহে গৌরহে।।

মৈতৈলোন্দা

লেংশিনবিরকউ গৌর নিত্যাই নচিন ননাও অমত্তা ওইনা।

দ্বিজশাগৈগী কোকথক্কী লৈতেং ওবা দ্বিজমন।

প্রেম ভক্তিগী গুরুনি অখিল জীবগী গুরুনি

নীংজদুনতা লৈজরি ঙাঙ্গানবা চরন ফংগনি হায়না

তাল থুজন্দুনা থাগনি

গৌর হে গৌরহে গৌরহে গৌরহে ।।

মতম অসি গৌরাঙ্গপ্রভূ (নিমাই)না ফমুংদা তুমদুনা লৈগনি

সুত্র গীত :- তাল থুমরি মাত্র- ৪

সুতি য়াছে গৌরাচন্দ শয়ন মন্দিবে।

প্রাত কালে শচীরানী নিমাই জগাইলরে।

(ঈশৈ অসি হেক লোইবগা সচীনা হৌগত্তুনা ফম্মুংদা তুম্মিবা প্রভূবু য়েংলগা লোল অসি হায়গনি।)

লোল

নিমাই এখনও শুয়ে থাকছ কেন, জাগ ২ জাগরে আমাব যাদুমনি প্রান

জুরান ধন, পুবর্ব আকাশে রাঙ্গ রবি উঠসে কেমন সোনার ছবি, ধিরে ধিরে মধুর মধুর বৈসে সমিরন বাগানে ফুল ফুটিল হাসি শরীর দিল সুবসীত রাশি, দেখ নিমাই গাছের পর মধুর স্বরে জকছে পাখিগন জয় ২ জগদ্বীশ্বরে।

মৈতৈলোন্দা

নিমাই ! ইমাগী সুনারচান্দ, হৌজিক ফাওবা তূমদুনা লৈবা হৌনদে হৌগৎলো। য়েংউ নোংপোক মায়কৈদা নুমিৎকৌবা লাইনা তাইবং পূন্নমক্তা মঙাল পীবিরি। লৈকোন্দা লৈগী জাৎ কয়ানা লৈকা ফন্না ফুগায়না শাৎলে কয়াদা ফজখ্রবা, সে হৌগৎলো ইমাগী ইবুংঙো।।

(লোল অসি হায়রগা সচী মালিনী অনি প্রভূগী ফমুংদা ফমদুনা মচাবু য়েংলগ খূৎনা নানবিদুনা ঈশৈ শক্কনি।)

গীত সারা

জাগ ২ নিমইচান্দ মোর পঞ্চমপ্রান গৌরমনি।

ভর ভয় প্যারে নদিয়া নগরে হরি ধনি কলরবে।।

মৈতৈলোন্দা

হৌগৎলোনে ইমাগী নিমাই ইমাগী থৱায়গী থৱায় ওইবা নিমাই।।

নুংশিবা খোঞ্জেন্না নিল্লে নদিয়াগী খুঙ্গংসে, হরি ধনিন পুমনিল নিল্লে।।

(শচীনা মচা নিমাই পমদুনা মাগুব ময়াইদা থোক্লক্লগা তপ্না লেপহনগনি, অঙাং মমিৎ উইহনগনি তুরোই ঙারোই তৌহনগনি মমানা চীংনা য়েংলগা খূৎ ওইনা প্রভূগী খদাং মখাদা খজিক্তং শোক্লগা ঈশৈ হায়গনি।)

ঈশৈ

ওই বলিহারি মায়ের যাদুমনি।। সুর্ন কমল বরন কান্তি অতি মধু হাস্য।।

চুম্বন ২ অমৃত রস সমানং দেখতে ২ কোটি চন্দ্র সুলাবনি।।

সুর্ন কমল বরন কান্তি অতি মধুহাস্য।

মৈতৈলোন্দা ঈশৈ

ওই ওই ফজদরা ইচাগী মায়থোংসে ঐখোয়গী থম্মোয়সে মানা শুম্মাৎলেনে।। সনাগী কুচুবু ঙমজৈ য়েংবদা গুক্লা ফজৈ। ইচাগী মায়থোংসে হেক

চূপচবদা অমৃতদগী ইচানা হেল্লি য়েংল- য়েংলগা থা কোটিদগী ইচানা হেন্না ফজে।।

(মতাং অসিদা ওঝাশিংনা অনৌবা ঈশৈ অমা হাপ্পিরম্মী। প্রভূনা উইদুনা তুগদবগুম ২ তৌবা অদু শচী- মালিনী অনীনা য়েংনরগা ঈশৈ অসি শকই।)

ঈশৈ ঃ- থুমরী অচৌবা - মাত্র ৪

উইরে উইরে উইরে য়েংউ নিমাই অসে।

ফজদরা নুংশিদরা ?

ইচা নিমাই অসে।

তূমলে তূম্না ফজেদা।

উইরে উইনা নুংশিদা।

য়েংল- য়েংলগা পূক্লিং শুস্কৎলি।

(উইরিবা প্রভূদা শচীনা খুবাক খূদুনা মমিৎ পাঙহল্লগা কোল অমা, ফী মচা অমা পুথোক্কুনা মমাই মমিৎ তাথোকপগী মওং উৎকনি। অদুগা ফিবম চুম্না লেপহল্লগা অঙাংগী মখূৎ থাদদুনা মঙক কেদুনা মশা তপ্না তপ্না হায়গনি, মমানা ঈশৈ শকলকপদা 'ভঙ্গী' হায়বা মতাংদা প্রভূ ভঙ্গী শাদুনা লেপকনি। মখাগী ঈশৈ ময়েক লৌথরকপদা প্রভূ, শচী, মালীগা লোইননা খোঙ থীন্দুনা য়েৎতা ওইদা খূৎ য়াওনা জগোয় শাগনি।)

গীতঃ- তাল দাদ্দ পেহ্‌রা মা: ৮

আহা মরি শ্রীগৌর গৌরাঙ্গা ভঙ্গী (প্রভু ভঙ্গীশাব)

কি শুলাবনি... আহামরী শ্রীগৌর।।

কিশু লাবনি...।   (জগোয় শাবা)

হেরি আমায় প্রান বালা জায়রে।

পুত্র মুখ চুম্ব দিলাম হেরি আমায় প্রান বালা জায়রে।

(শচীনা খূৎ তিংথোক্কুনা কৌবা চেন্না চেন্না)

হা- নিমাই িমাই নিমাই নিমাই (প্রভূনা চেনশিল্লকপা) ·

শচী:- জাও (চৈবা)

(প্রভূনা শাওদুনা ফমথরগা মখূৎনা মমিৎ নোইদুনা কপশিন্নগনি মমানা মুন্না য়েংলমলগা চেনশিন্দুনা)

পুত্র মুখ চুম্বদিলাম হেরি আমাই প্রান বালা জাইরে।।
(প্রভূ অমুক হঞিন্দুনা জগোই শাগনি)

গীত

সহজ রুপে পোরান কান্দে তাতে আবার
তপ্ত কাচ্চা কাঞ্চন বরন খানি সহযেই কাচ্চা
কাঞ্চনবর জিনি নবিন বরন।।
এক তাল মা: ৬
অঙ্গেরী বরন রজত কাঞ্চন
গোলে মালতীর মালা।।
হায়গ কেবা শাজাইলেগ।।
বিনদ মালা মরি হাইগো
কেবা শাজাইলেগো
যেমন গোলা তেমন মালা গোলা
মাল যেমন তেম ....বিনদ...
(আহা মরিদগী - অঙ্গেরী বরন ফাওবগী অনুবাদ)

মৈতৈলোন্দা ঈশৈ

ফজৈ ফজৈ ফজৈ য়েঙ্গে নঙ্গী শাথেক (ভঙ্গী)
থেক্লা নৌনা শারোসে সে।।
য়েংবদা ইমানা অপেনবা লৈতেদা।।
ইমাগী নাক্তা চেল্লকউনে, ইমানা তমপাক্তা পমগেনে।।
মহৌশানা ফজবা শক্লি সনাদা মনিনা থিনবনি।
(অঙ্গেরী বরনগী অনুবাদ)

ঈশৈ এক তাল - মা- ৬

ইচাগী কুচু ফিগী ফিজু চুনরে চানরে
পকচবনা লোইরে।।

য়েংবদা ঙক্লা ফজৈদকো,
নৌরবা ঙকশমদা মালতী পরেংনা
নোম ২ নোম ২ নীংথিজৈদা।।
(শচীনা লৈ পরেং অমা পায়দুনা ঈশৈ শকপা, চেন চেন্দুনা প্রভূবু তান্নহনবা)

গীত ঃ- ঠুংঙবী - ম- ৪

আই আই আই আই আই আই আই আই আই নিমাই।।
লাওনা লাও লাও লাও লাও লাওনে লাওনে নিমাই নিমাই।।
কর্পূর মালতী করল যুবতী মন লভা মনুহরো
মন লভা মনুহারা....২ ।।

মৈতৈলোন্দা

কর্পুর পরেংসে ওম্থোক্লা ফজৈদা
মনম্না কয়াদা নুংশিরিবা... (৩)।।

বাঙ্গলা

কোইনা কদম্ব বিউরী পদুম্মা লুত চূড়া শিখি পাখা ... (৩) ।।

মৈতৈলোন্দা

কনা কনা লৌগেগে পাম্লবদি পীবিগে
চূড়ানাক্তা থেৎনীংবা মীনা থাগৎহন্নিংবা
অপাম্বা কনানো লৌনিংবা কনানো
লৌজনিংবনা কনা কনানো।।
শচীঃ- নিমাই লৈ পরেং অসি পাম্বরনে।
নিমাই ঃ- পাম্মী পাম্মী ইমা ঐগী ঙকশমদা হুকপীয়ু।

ঈশৈ (শচী মালীনী)

সে সে হুকপীরগে ফজবরা য়েঙ্গে
লেন্নজগে ইমানা নদিয়া মীয়াম মমাংদা।।

(লৈ পরেংসি মমা অনিনা পাইদুনা চেম্ফোক চেনশিন শান্নবা, অঙাংনা মঙক্তা হুক্তনা চেম্ফোকখ্রগা হরাওনা মমাদা ওনশিন্দুনা মখূৎ অনী খুকউ পায়দুনা মঙক থেক্লা থেক্লা হইনা হুম্না লৈগনি)

শচী- মালীনী- গীত

ঝলমন ২ ঝলমন করে। মালা...।

বিনদ গলে বিনদ মালা...।

যেমন গলা তেমন মালা গোলা মালা যেমন তেমন...।

মৈতৈলোল ঈশৈ

নোম নোম... লৈ পরেংনা ...।

নৌরিবা ঙকশমদা মালতী পরেংনা...।

ফজৈদকো ঐগী ইচা অসে মালানা ফজবনে

ইচানা নুংশিবনে য়েংবগী অপেনবা নাইদরে।।

মালানা ফজবরা ইচানা ফজবরা ?

মালীনী ঃ- মালানা ফজবা নত্তে ইচানা ফজবনি।

শচীঃ- মালীনী (পুন্না শকপা) মালানা ইচাদা তাংজবনি, মালানা হাইবনে ইচানা ফজবনে ইমাগী পুক্নিংসে অপেনবা লৈতেদা।।

শচী লোলঃ- য়েংউ মালিনী- চাংদম্নীংঙাই লৈতনা ফজৈকো, মতৌননি মওংননি হায়নিংবসু নত্তেকো..।।

ঈশৈগী মরক মরক্তা অঙাংগী জগোয় মতেক মতেক থেৎকনি। (পক্লগদবা মওঙ্গী জগোয়)

লোল

শচীঃ- ইহে ! কাউরেনে মালীনী ইচা লক্লরিঙৈদা, সূর্য্য পূজাগী পোৎলম অমুক্তা লাঙশী।

মালীনীঃ- চুম্মী সচীমা নিমাইবু হেক মাইয়োক্লরবদি ঐখোয় ইঙাও ঙাওবদি মহৌশানিদা।

পূজাগী মওং

লৈ- শু তুলসী ধুপ দ্বীপ হৈরুক নচিংবা মাগুব ময়াইদা থমগনি, মমা অনীগী

মকক্তা নিমাই (প্রভূ) লৈহল্লগা খরু- খুদক ফমগনি...

শচী ঃ- নিমাই, নখুৎ অনী লোননৌ পূক্লিং চঙনা সুর্যাদেববু খুরুমগদবনিকো।

গীতঃ- এক তাল মা ৪, ৬

দয়া করহে ভগবান অহে দীন নাথ॥

ভজন জানিনা সাধন জানিনা মম পঞ্চ প্রান নিমাইে॥

লীলাগী মওং

প্রভূনা মমাদা লকনগনি - মখুৎ অনী তিংথোক্তুনা মমাদা কক্ কক্ থিনগনি নত্রগা মমাগী খূৎ লোন্নরিবা মখুৎ হায়দোকপা য়াই ফজদবা মওং খন্দুনা তৌবা য়াই, মদুদা শচীনা শাওরপ তৌনা...

শচী ঃ- নিমাই কী করিলি হাঁ প্রনাম কর।

(শচীনা শেম শাদুনা খুরুমহনগনি। ঈশৈ লৌগনি)

গীত

চিরঞ্জিব দেহ বর মম পঞ্চ প্রান নিমইকে॥

মৈতৈলোন্দা

থৌজানবিয়ুনে হে ভগবান.. হে ভগবান...।

ভজনসু হৈজদে সবিনসু খংজদে।

ঐগী থব্রায় ওইবা নিমাইসে।

লৈজদে করিসু কৎচননবা।

ইচা নিমাইসিত নুংশিবিয়ুবা।

পুন্সিবা হায়বদো ঐনা নিজরিনে।

ঐগী ইচা নিমাই অসিতগীনিনে॥

গীতঃ- তাল থুমরী - মা- ৪

সুর্য্য দেব তবহে সরনং কলমশ নাসনং তবহে মহত্বং॥

দীর্ঘায়ু দেহী প্রান সুস্বতং ভক্তী ভাব দেহী প্রানা ধীক শুতং।

মৈতৈলোন্দা

সুর্য্য দেব চংজরি খুয়াদা অরান লান্দ কয়া ২ ঙাকপীয়ু ননাইদা।

পিনবীয়ু নিজরী ইচা অসে পুম্সিবা

মহাক্তগী ৱাজবা মহাক্তগী খঞ্জবা।

শাজৎ লিচৎ ফজবা ভক্তি রতি লৈজবা।

বিষ্ণু নঙতবু নীংজবা পীনবীয়ু কাউদবা।।

(মমা অনী মকোক লৈপাক শোক্লা খুরুম্বা, নিমাইনা তূমিন্না চৎলগা মমাগী মমাংদা ভঙ্গি শাদুনা লেপ্লা, শচী হৌগৎলকপদা উবা, ঙকপা...)

শচী লোল

কবিগীনো নিমাই, ঐবু নঙোন্দা খুরুম্বা ওইনা থোক্লোইদ্রা ?

নিমাই লোল

খঙনীংবরনে ইমা।

শচী লোল

খঙনীংঙিনে হায়্যুনে নিমাই।

নিমাই লোল

নুংঙিগী ইমানা ধুপ দ্বীপ কৎলিবদো ঐনে...।

শচী লোল

করি হায়বা নিমাই, হায়হৈদবা ৱাবু...।

(শচীনা ফূগে মতাগুম খুবাক থাঙ্গৎপা, নিমাই চেনবা, মমানা তান্নবা)

নিমাই লোল

ঐ লাইনি ঐ লাইনি (হায়না চেনবা শচীনা ফাবা)

শচী লোল

ফূগনি কিদুনা লাইনি হায়রিনে।

মালীনি ঈশৈ

হৈমল্লি শিংমল্লি মসিগী অঙাংসে।

শচী ঃ- চৎখ্রো চৎখ্রো (নিমাই ইনবা লাপ্তক্লা তুবা)

জগনাথ মিশ্র থোকলকপা

জ:মি: ঃ- করি তৌরবগে শচী অসুক য়াম্না নিল খোংলিবসিবু।

সচী ঃ- নিমাইসে সুর্য্য পূজাদা য়াম্না ঙাওশিন্নখ্রে তু তৌরিবসিনি।

জ:মি: ঃ- (নিমাইবু পমখৎপা নত্রগা চীংখৎপিদুনা) ইচাদি মরম ওকপনি মুন্না তাও বাবা ৱা হায়গেসে। জগৎ সংসারগী মীওইবা জীবনা নোং হেক ঙানবদা সুর্য্য দেব খুরুম্নরিবনি। নং ঐগুম্বদি হায়রুনু জগৎকী মবেম্মা শ্রীমতী রাধীকামক্লা সুর্য্য পূজা তৌবদগী সংসারগী তাংলব শ্রীকৃষ্ণগী চরন দর্শন ফংখ্রিবনি, নঙসু পূক্লিং চংনা সুর্য্য পূজা তৌগদবনি।

নিমাই ঃ- ববা ! রাধা হায়ববু কনানো ? রাধাগী মগুন অমুক্তা হায়বীয়ু।

জ:মি: ঃ- ইপাগী ইবুংঙো নিমাই, শ্রীমতী রাধীকাগী মগুনদা ধ্রুব, নার্দ, যোগী ঋষি কয়ামুক্রসু হায়বা ঙমদ্রবা পংখৈ নাইদ্রবা অদুগুম্বা মগুনশিং অদুবু ইপাগী পাপ চেল্লবা ইচিল অসিনা হায়বা ঙম্বা ইতিক নত্তে, অদুবু মচা অমনা হংলবনিনা ইপা খজিক্তং হায়গে তারো।

শ্রমতী রাধীকা বৃষ ভানু রাজর নন্দীনি।
শ্রেষ্ঠ নিল কমল বর্নের বসন ধারিনী।
জীব শক্তি, জীত শক্তি ও মায়া শক্তি।
কৃষ্ণ প্রেম ময়ী রুপীনি মহা ভাব স্বরুপীনী।
পরম গুরু বৈষ্ণবী শ্রীমতী রাধীকা
তার নাম হর ভক্তগনে শুখদিতে অহলাদিনী।।

মৈতৈলোন্দা

শ্রীমতী রাধীকা হায়বী বৃষ ভানু নিংথৌগী মচানুপী, অথোইবা ফজবা অশংবা থম্বাল মচুগী ফিজোলনা লৈতেংবী জীব শক্তি, চীত (নুঙাইবা) শক্তি, মায়া শক্তি, কৃষ্ণ প্রেমগী মশক ওইবী, মহাভাবনা লৈতেংবী অথোইবী মহাক্কী মমিংবু তাবেবা শোঞ্জবদা হবি ভক্তশিংদা অথোইবা নুংঙাইবা ফংহনবী অথোইবা গুরু বৈষ্ণবীনি।

(মতাং অসিদা নুংগীওইবা পঞ্জন্নিংবা ৱাফম অমত্তং শ্রীকৃষ্ণগী তীন বাছা

পাংথোক্কে খন্দুনা রাধা- কৃষ্ণ অনীনা অমত্তা ওইনা পুন্না অবতার তৌবা শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনি। দুৱাপুরগী ব্রজ লীলাবু কলি যুগতা নবদ্বিপ লীলানা মখা শমথবনি অসুম্না লৌনৈ হায়নৈ)

রাধাগী মগুণ তাবদা খংহৌদনা

নিমাই ঃ- হে রাধে, রাধে (শোল্লগা লৈপাক্তা তুথখিবা)

মিশ্র ঠাকুরনা চেনশিন্দুনা য়েংবা

জ:মি: ঃ- হী করি মতৌনো ইচা ৱাম্থখ্রেনা (শচী কৌবা) শচী শচী লাউনে, অঙাং অসি করিনো মওং অমা তৌখ্রে।

(শচী তফিং তফিং চেল্লকপা নিমাইগী মওং উবা)

শচী ঃ- করি মতৌনো অসিদি ইমাদি মাঙলেদনা নিমাই। (জ:মি: দা) করি মতৌনো ঠাকুর তৌরিবা অসিবু ?

জ:মি: ঃ- শ্রীমতী রাধীকামক্না শুর্য্য পূজা তৌবদগী শ্রীকৃষ্ণ চরন দর্শন ফংখ্রিবনি নঙসু শ্রীমতি রাধীকাগুম শুর্য্য পূজা তৌ হায়রুবদা বাবা, রাধা হায়ববু কনানো মগুন হায়বিয়ু হায়, ঐনা শ্রীমতি রাধীকাগী মরমদা খরা হায়রুবদা খঙহৌদনা রাধা রাধা হায়দুনা লৈমায় থক্তা তুথখি।

শচী গীত

রাধা নাম শুনাইতে নিমাই ভূমি তলে মুর্শা ভেল।

রাধা ২ বলি কেন্দে ভূমি তলে মুর্ষা ভেলে।।

মৈতৈলোন্দা

রাধা রাধা কৌরম্লগা করিগী হেক্তো ৱাম্থরিবা ?

মাবু নঙনা খঙবা ঙমলোইকো।

বৈষ্ণবতনা খঙগদবনিকো।।

বৃষভানুগী মচানী।

শ্রীকৃষ্ণগী চান্নথোইবীনি।

মহাভাবনা লৈতেংবনি।

জ:মি: ঃ- ঐগী পীকথ্রবা ইচা অসিনা শ্রীমতী রাধীকাগী নামবু তারগা করি খন্দুনা

নত্রগা করিবু খঙদুনা মিংলুদা প্রেমগী ইরা চেল্লদুনা রাধা রাধা শোন্দুনা লৈমায় থক্তা ব্রাম্বুরিবা, সী নঙগী ঐগী লাইবক্তা করিবু থোক্লগবা। ইপাগী ইবুংঙো নিমাই, মিং পাংউ হৌগংলো। (নিমাই কপ্লা কপ্লা হৌগংলি মপানা পম্মী)

শচী গীত

লাও লাও নিমাই লাও

ইমা পম্বিরগেনে সুর্য্য পূজা থেঙখরে।

(শচীনা অঙাং পম্লগা) ইচাগী মঙ্গল ওইনবা ইচাগী পুন্সি শাংনবা দেবতা খুদিঙদা নিজরী সুর্য্য দেবদা খুরুমজে। অঙাং ওইবিবা ইচানি, করিসু খঙদ্রিবা নিমাইনি দেষ পুম্বা ঙাকপীয়ু।

(শচী, মালীনি, নিমাই সুর্য্য পূজা মফমদা ফম্নগনি)

ঈশৈ

অহানবা আষ্টঙ্গ, অনিশুবদা পঞ্চাঙ্গ, অহুমশুবদা দণ্ডবদ কত্তুনা খুকমগদৌবনি নিমাই খুরুম্বা হৈবা হায়বসে ফজবনি নিমাই।।

(অহুম্মক পূন্না খুরুম্বা খুরুম্বদা করিগুম্বদা নিমাইনা মখোঙ- মখূৎ কাওদুনা নিঙাই তৌবসু তৌই তৌদবসু য়াওই মখোং- মখূৎ ফাদুনা খুকমহনগনি।)

(পূজা লোইদুনা ইমুঙ চংখিবা)

- o -

প্রভূ বাল্য লীলা অনীশুবা তাঙ্কক

গঙ্গা স্নান

জ:মি: ঃ- শচী ! (শচী থোক্লকপা)

শচী ঃ- তাকপিয়ু ঠাকুর।

জ:মি: ঃ- ঐ গঙ্গা স্নান চৎলুখিগে।

শচী ঃ- য়াম্না ফগনি ঠাকুর।

(জ:মি: খুজাই অমা লৈ- শু, চেং থোইদ্রিং পুদুনা চৎখিবা। নিমাই চঙলকপা)

নিমাই ঃ- ইমা বাবা কদায চৎখ্রে ?

শচী ঃ- বাবা গঙ্গাদা ইরুজবা চৎখ্রে।

নিমাই ঃ- ঐসু চৎলুগে ইমা।

শচী ঃ- চৎপা য়াদে, বাবাদি ঙসাইনা গঙ্গা য়ৌরক্লগনি।

(হায়না হায়না নিমাই খুজাই অমা পাযদুনা, বাবা বাবা কৌদুনা চেনখিবা। মপাগী মনাক য়ৌবা)

জ:মি: ঃ- এ: ! নিমাই নঙনা লাক্লিবসি নমা খঙহৌব্রা ?

নিমাই ঃ- খঙহৌই বাবা।

(অসুম্না হরাও তরাম্না ৱা কয়া ঙাঙনৈ। মপাগী মনাক্তা ইরুজনবা গঙ্গা খুরুম্মী)

বিশ্বরুপ চংলকপা

বিশ্বরুপ ঃ- ইমা ইমা ! ইনাও নিমাইদি ?

শচী ঃ- বিশ্ব ননাও নিমাইদো বাবানা গঙ্গা স্নান চৎপদা মাসু য়াওগনি হায়দুনা তান্নখ্রে।

বিশ্বরুপ ঃ- অদুদি ইমা ঐসু চৎকেদো বাবাগী নাক্তা।

সচী ঃ- নত্তে- নত্তে বিশ্ব, বাবানা বিষ্ণু পূজাদা কৎননবা ইমাগা লৈ থিরুসি।

বিশ্বরুপ ঃ- তল্লি- তল্লি ঐসু চৎকনি, নিমাইদি চৎলগা ঐদি...।

শচী ঈশৈ

নহাকসু লৈতা ননাওসু লৈতা মিৎকুপসে ইমাবু কনা য়েংউগে। উদ্রদি লৈবা ঙমদেদো ইমাদি চৎখিনু চৎখিনু ইমাগী বিশ্ব॥

বিশ্বরুপ ঃ- (বিশ্বরুপ চেনখিবা) বাবা বাবা, নিমাই নিমাই !

নিমাই ঃ- (হৌগত্তুনা চেনশিনমিন্নবা, কোন্নবা) দাদা (হান্না কৌবা)

জা:মি: ঃ- বিশ্ব নঙসু লাক্লব্রা ফরে-ফরে, বাবাগী নাক্তা লাকও খুরু খুদক কৃন্দুনা ফম্মু, গঙ্গাজলদু নখুৎনা খরা খরা লৌখত্তুনা নকোক্তা অহুমলক হাপ্পু বাবানা গঙ্গা মহীত্বম হায়গে।।

ওং স্বর্গা রোহন সোপানং তদ্বীয় মুদকং শুভৈ।। অতঃ স্পৃশ্যামি পাদা ভ্যাং, গঙ্গে দেবী নমহস্ততে।।

ইরুজরো য়ারে (মচীন মনাও খুজোক্লা ঈশিং শোকৎতুনা চাইখত্তুনা ইরুজবা)

ওঁ গঙ্গেচ যমুনেচৈব গোদাবরী সরশ্বতী।

নর্ম্মদে সিন্ধু কাবেরী জলহস্মিনসন্নিধিংকুরু।

জ:মি: ঃ- ঈরুজবা লোইরেদো চেঙথোইদিং, লৈ- শু কত্তুনা খুরুমসিকো।

মপা মচা অহুম খুরুমগনি, মপা হৌগত্রিঙৈদা নিমাইনা হৌগত্তুনা ঈশিংদা চোংথসি হায়না ইঙ্গিৎ তৌগনি। তৃমিন্না থোক্তুনা মচিন-মনাও অনী গঙ্গাদা চোংথগনি।

জ:মি: ঃ- হায়-হায় করিনো তৌরিদু কাখৎলকউনে।

নিমাই, বিশ্বরুপ পূন্না ঃ- বাবা ঈরোইদুনা শান্নগে।

জ:মি:ঃ- কিদ্রা ঈশিংদো।

নিমাই, বিশ্বরুপ ঃ- কিদে বাবা।

জ:মি: ঃ- অদুদি নচিন ননাও ঈরোইবা শানবা তান্নগেরা।

নিমাই, বিশ্বরুপ ঃ- তান্নগে-তান্নগে বাবা।

জ:মি: ঃ- বাবাগী নাক্তা খরা চঙশিল্লকউ তোবর্বান ময়াসিদা তান্নৌকো শেম শারো (অঙাং অনী শেম শাবগী ফিরেপ সারেপ) সে সে বাবাগী নাকসিদগীনা তৃ...তৃ আসি য়ৌবা হানবা তান্নৌকো বাবা স্বা থাগে।

নিমাই, বিশ্বরুপ ঃ- থারো থারো বাবা।

জ:মি: ঃ- সে হায়রগে ...স্বা...।

(অঙাং অনী খুরু খুদক কৃন্দুনা চেনবা। মফম য়ৌবদা ফোং ফোং হায়বা। হৌগৎপা)

জ:মি: ঃ- কনানা হাল্লি ?

নিমাই, বিশ্বরুপ ঃ- ঐনা হাল্লি বাবা বাবা।

জ:মি: ঃ- হায় করিনো নখোয় অনী ঈরোইবা তান্নবদা নখোয় অনীমক ঐনা হাল্লি হাল্লিং হায় অদুবু য়াব্রা।

(নিমাইনা খুদুম শীংদুনা ঐনা হাল্লি হায়রগা ময়াম্বদা চোংশিনবা)

জ:মি: ঃ- হায়- হায় করিনো নিমাই ময়াম্বদবু অদুম তৌবা হৌনব্রা জেষ্ট ভাই পিতা সম (ময়াম্বা অহল হায়বসি মপাগা মান্নে) হায়রিবনি অদুম তৌবা হৌনদেকো। (খাম্বা) সে- সে হন্দক অমুক হন্না তান্নৌ ঐসু য়াওরগেসে। অমা, অনী, অহুম স্বা...

(অঙাং অনী ঈরোইবা মপানা ইন্নদুনা বিশ্বরুপকা মখোঙ ফাবা নিমাইবু হালহনবা বিশ্বরুপ থাদোকপা)

নিমাই ঃ- ফোং ফোং (বিশ্বরুপ থুংবা হৌগৎপা)

জ:মি: ঃ- হন্দক্তি কনানা হাল্লি ?

নিমাই ঃ- (হরাওনা) ঐনা হাল্লি বাবা (চোংবা)

বিশ্বরুপ ঃ- বাবানা ঐবু ফাবিরগা।

জ:মি: ঃ- ইচাদি মনাও লূনা তৌবনি নিঙাই তৌদুনা যূম চৎসি য়ারোইদৌরিবনি অদুনা হালহনবনে। (জ:মি:না ঈশিং শোক্তুনা বিশ্বদা পিবা) ববাগী তুং ইল্লকউ লাও লাকও থেংখ্রে... (চৎপা)

ওঁ নারায়ন পর বেদ, নারায়ন পরৈক্ষর, নারয়ন পর মক্তি, রাম নারায়নন্ত শ্রীমুকুণ্ড মধুসুদন, কৃষ্ণ কেশব কংসসেহারে॥

(অসুম্না খরা চৎলগা নিমাইনা বিশ্বরুপকী মাঙদা মতুঙ ওহ্মোক্তুনা মখুৎ তিংথোক্তুনা মখোং ফাকতোক্তুনা লম্বী থৎপা বিশ্বরুপনা ইনবা নিমাই মাঙদা চৎপা নিমাইনা তুংহন্না ইনবা বিশ্বরুপ তুংহনবা)

বিশ্বরুপ ঃ- চৎলো হায়মী নিমাই। থেঙখ্রে চৎলো হায়মী।

নিমাই ঃ- চৎলোয় কৈসু। (নিমাই ময়াম্বদা ওনশিন্দুনা) কদাই ঐগী কোন পীয়ু, পীদ্রদি ঙসি...

নিমাইনা চোংশিন্দুনা খুজাই মপান্দা তাপ পায়বা বিশ্বরুপসু থাদোক্তবা উরু উরু লৈনবা মুন্নবা মখুৎ থাঙ্গক্তুনা ময়াম্বদা ফুগে তৌবা।

বিশ্বরুপ ঃ- হো বাবা ! হো বাবা! নিমাইনা ফগদৌরে।

জ:মিঃ- হায় হায় করি মতৌনো অদুম তৌবা হৌনব্রা। (মিশ্রনা খুজাই মপান পায়দুনা) থাদোকউনে (খুৎনামনা ফুথবা থাদোকপা) ঙাইখো লম্বী চৎপদা

নচিন- ননাও খৎনবা ইকায়দ্রা। ঙাইখো- খৎনবসি কনানা হান্না হৌই হায়য়ু।

নিমাই, বিশ্বরুপঃ- চপ মান্ননা খুদোম্বী থিন্নদনা, মানা মানা।

নিমাই ময়াম্বদা খুৎতুম শীংদুনা - মানা হান্না হৌরিনিনে।

জ:মি: ঃ- হায় হায় লমহেনবা ময়াম্বদবু... খন্নরি করি বেব্যহারনো নয়াম্বসিদি কিদ্রা ব্বারকহনগেদো।

নিমাই ঃ- কিবিদে কৈশু ব্বারকহল্লুনে।

জ:মি: ঃ- বিশ্বরুপ ননাওসে কিব্রা অমুক্তং ব্বারক্কেরা ?

বিশ্বরুপ ঃ- কিবিদেদা ব্বারক্কেনে বাবা।

জ:মি: ঃ- থৌরেদা অঙাং অনীসে, ফরে অদুদি মাইকৈ মাইকৈ লেপ্পরো।

(অঙাং অনী মায় মায় ওনশিন্নগনি নোম্বগনি খুৎতুম তাশিন্দুনা তান্দা নাক য়েৎ তুং- মাঙ ফজনবা মওংদা শেমগনি পুং- করতাল, যন্ত্র য়াওগনি। চোংশিন্দুনা কোন্নগনি, নিমাইনা মথক থংলগা তুথমিন্নগনি .... মিশ্র ঠাকুবনা খামগনি)

নিমাই নঙ নয়াম্বদা বেব্যহার য়াম্না কায়রে দাদা ঐ লাল্লে ঙাকপিয়ু হায়না খুরুম্মু।

নিমই ঃ- দাদা ঐ লাল্লে ঐবু ঙাকপীয়ু। (খুরুম্বা)

বিশ্বরুপ ঃ- শাওবিদেদা নিমাই হৌগৎলো (চীংখৎপিবা)

জ:মি: ঃ- সে- সে বাবা ব্বা হায়গে নচীন ননাও চুম্না লেপ্পু খুৎ থাঙ্গৎলু, ব্বা ঙাংনবা য়াদে মীৎয়েংনবা য়াদে খুৎনা জগোয়, খোঙনা লমজেল স্বা... য়ুম য়ৌনবা চেনগদবনি।

(মপানা হায়বা মতুংইন্না তৌবা য়ুম য়ৌবা)

- o -

প্রভূ বাল্য লীলা অহুমশুবা তাঙ্কক

'বিষ্ণু পূজা'

শচী, বিশ্বরুপ, নিমাই লোইননা পূজাগী পোৎলম লাঙবা জ:মি: পূজাগী ফমফমদা ফম্ব।।

জ:মি: ঃ- ইচাশা ইপা বিষ্ণু পূজা হৌরগে বিষ্ণু খুরুম্মু অদুগা ইমুং চঙখ্রো।

(শচী মমা মচা অহুম খুরম্বা, চঙখিবা)

(জ:মি: মখুৎ লোন্নদুনা মমিৎ উইশিন্দুনা)

ওঁম... বিষ্ণু, ওঁম... বিষ্ণু, ওঁম ... বিষ্ণু

ওঁ নম পঙ্কজভায় নম: পঙ্কজমা লিনে। নম: পঙ্ক জনেত্রয় নমস্তে পঙ্কজাঙ্ঘ্রায়ে। ওঁ নম ব্রহ্মন্য দেবায় গোব্রাহ্মনহিতায় চ। জগদ্ধি তায় গোবিন্দয় নামো নর্ম।। ইতি

(মতম অসিদা নিমাইনা অচৌবা লিন অমা কোন্দুনা জগোই শাদুনা চঙলকপা অদুগা ভগবান নরায়নগী মুর্ত্তি লৌদুনা লিলনা খন্দুনা মপাগী মাঙদা হিপ্পুনা লৈবা মপাদা ওনশিন্দুনা। জ: মিশ্র পূজা লোইদুনা দণ্ডবৎ তানা খুরুম্বা, হৌগৎলকপা স্বয়ং বিষ্ণু ভগবানগী মুর্ত্তি পান্বোম মরী পানবা সঙ্খ, চক্র, গদা, পাদ্মনা লৈতেংবা বিষ্ণু রুপ দশর্ন পিবা (উহনবা) পুংঙান ঙানবা।)

(জ:মিশ্রনা ঙকপা, হরাওবা তু চুংবা মিৎকুপ্তুনা য়েংদুনা লৈবা চীন্না।) শচী ! ... শচী! থোক্লকউ লাও।)

(শচী থোক্লকপা অঙকপা মওংদা য়েংবা)

জ:মি: ঃ- য়েংউ শচী নঙ ঐগী লাইবক অসি কয়াদা ফখ্রবা জগৎনা ফংঙমদ্রবা স্বয়ং ভগবান নরায়নগী থৌজাল ফংজরে স্তুতি কৎলি..।

গীত

ক্ষীরদ আনন্ত প্রভূ নাগ পর শয়নম,

চতুর ভূজে সংখ চক্র গদা পদ্ম ধারনম,

কমল সেবিত প্রভূ তব দুতি চরনম

নমস্তে শ্রী অনাদি রুপ দোহি পাদ শরনম।

(জ:মি: শচী, মালীনী পুন্না খুরুম্বা, হৌগৎলকপদা নিমাইনা লীল অদু পায়দুনা লেপ্পা। শচী, মিশ্র, মালীনী ঙকপা মওং)

জ:মি: ঃ- হায়মা.. করি মতৌনোসিদে ইচা নিমাইনিনেহে, ঐখোয়দি করি ভাবনো... মীনা উরগা...।

শচী ঃ- হি: হি: হি: মখুত্তা লীল অমসু পায়রিনে, চিকপা তারে ইচা মাঙবা তারে ঠাকুর...। ইবুঙো লীল অদু থদোকখো ইমা নুংশা থীরে, য়াম্না কিরে থাদোকখ্রো.. সে ... সে।

নিমাই ঃ- ইমানদি কি, কি হায়রিবা ঐগীদি চান্নরবা মরুপনে।

শচী ঃ- তানীংদবা ৱানি নিমাই থাদোকখোনে...।

প্রভূ (নিমাই) ঃ- বাবা, ইমা অসিনিনে ক্ষীরদ সাগরদা আনন্ত সয্যাদা বিষ্ণু ভগবান্না চেপ্পী হায়বা আনন্ত হায়বা লীল অদু অসিনিনে ইমা বাবা।

জ:মি: ঃ- করিনোনে চোইরোল- পারোল হায়হৈদবা ৱা ঙাক্তা ঙাঙলদনা থাদোকখোনে।

(নিমাই (প্রভূ)না মমা, মপা, মালিনীদা কিহনবা লকনবা)

নিমাই ঃ- শি... শি.. চিকউ চিক্কদৌরে... (মকোক ইনশিনবা)

শচী গীত

ইমাগী ইবুংঙো গৌরমনি ইমাদি ইঙক ঙকলেনে।

কিবনা ইমাদি থক থক নিকলেনে।

মহু চেনবা জীবনিকো, চিকপদা থৱায় মাঙবনিকো মানা।

চিকপদা থৱায় মাঙবনিকো

ইচাগী থৱায় মাংবা তারে।

ইমাগী পুন্সিসু লোম্বা তারে।।

(নিমাইনা লীল থাদোক্লম্লগা মমাদা চেনশিল্লগা কোনবা)

- o -

প্রভূ বাল্য লীলা মরিশুবা তাঙ্কক

নুমিৎ য়ুংবা মতম

(জগন্নাথ মিশ্র ফক অমদা ক্যমদুনা ভাগবত পাথ তৌদুনা লৈবা লংফৈ চৎপা নুপা তৈথিক ব্রাহ্মন অমা মরেংবান্দা ফী অমা য়ানবা, মখুত্তা চৈশু পায়বা, ঈশৈ শক্তুনা চংলকপা)

গীত শুর - শারা

সররে আমার মন যমুনা পুলিন বৃন্দবন ধাম।

কেশি ঘাট বংশি বতে নৃভিত নিকুঞ্জ বন আমারমন।।

চল চল মন ভাই কটিতে কৌবিন পেঢ়াই শিরা কান্থা গোলে ধারা। হাতে মালা জপি জপি মুখেতে হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ বলি- মন দরাছা ভজহ শ্রীরাধা গোবিন্দ চরন- কেশি

মৈতৈলোন্দা

নীংজৌনে ঐগী পূক্লিং নঙবু।

যমুনানা কৌয়শিনবা ব্রজ বৃন্দাবনবু।

কেশি ঘাট বংশিবটনচিংবা

রাধা কৃষ্ণ অনীগী শান্নফম ওইবা।

নৃভিত নিকুঞ্জবন নচিংবা।।

শ্লোক

হা হরি নঙবু কদায়দনো।

মফম কদায়দা লৈবিখ্রবনো।

কদায়দা ঐনা থিগদবনো।

কদাযদা ঐনা থিগদবনো।

ননাইনা করি লানখ্রবনো ননাইবু হেক্তা থাদোকপিরমলিবনো ...।

স্বাগত

হবি হবি হা গোবিন্দ হা কৃষ্ণ

নুংশিখ্রেদা লমদম অসে।

হরি বল হরিবল

(লংফৈ চৎপা নুপা চংলকপা। জগন্নাথ মিশ্রনা থোক্লক্কুনা য়েংলগা)

স্বগাত

জ:মি: ঃ- কে গো আজ আমার দ্বারে হরি নামামৃত্ত গায়তে গায়তে এসেছি, কুন বৈষ্ণব কুন ব্রহ্মন হৌ।

জ:মি: ঃ- ও মহাশোয়

লংফৈ নুপা ঃ- মহশোয়।

জ:মি: ঃ- আপনার পরিচয় দাও।

নুপা ঃ-আমিও ভিক্ষুক ব্রাহ্মন বৃন্দবন বাসি, আমী দেশান্তরে প্রজন্তন করিতে জাছি আমার নাম শুকৃতি।

মৈতৈলোন্দা

ঐ ব্রাহ্মন্নী ইমিংনা শুকৃতি কৌজে বৃন্দাবন্দগীনি, মফম অমাদগী মফম অমাদা কোয়চৎ চৎচবনি চাদ- থক্তবগা খরাসু ব্বারে মফম অসি হেক উবদা চঙনীংবগুম তৌই ঙাইহাক্তং পোত্থাজন্নিংদুনা চঙজরকপনি।

জ:মি: ঃ- ভালো ভালো বৃন্দাবন বাসি, আহ ভাগ্য ভাগ্য। অমিত্ত ব্রাহ্মন মিশ্র বংস নাম হইল জগনাথ। প্রনাম- প্রনাম। (অনীরক খুরুমম্নিবা)

মৈতৈলোন্দা

জ:মি: ঃ- নুংঙাইরেদা ঠাকুর ঐসু ব্রাহ্মন্নী মিশ্র শাগৈনি ইমিংনা জগন্নাথ কৌই।

(অনীমক ভক্তি কৎনগনি, জগন্নাথনা ফিদা থাগনি)

জ:মি: ঃ- এসেছি আসন পরে বিরাজ করেন।

শুকৃতি ঃ- না না অমি বসিতে পাবর্বনা।

জ:মি: ঃ- কি কারোন ঠাকুর ?

শুকৃতি ঃ-অমিতত উদাশি ভিক্ষুক ব্রহ্মন, না অমি বতিে পাবর্বনা

মৈতৈলোন্দা

জ:মি: ঃ- লেঙশিনবিয়ু ফিদা অসিদা ফম্বীয়ু।

শুকৃতি ঃ- নত্তে নত্তে ঐ ফম্বা ঙমজরোই ঠাকুর।

জ:মি: ঃ- করি মরমগীনো ঠাকুর।

শুকৃতি ঃ- মিশ্র ঠাকুরনা থাব ফিদাদা ঐনা ফম্বা ইতিক নৎচদে । ঐদি তোনখ্রবা চাক্লিবা ব্রহ্মননি, ঙমজরোই ঙমজরোই।

জ:মি: ঃ- শুনেন ঠাকুর! সাস্ত্রের একতা কথা আসে:-

গুরুরগ্নি দ্বিজাতীনাং বর্নানং ব্রহ্মনং গুরু,

সবর্বত্র অতিথি অভ্যাগত গুরু।।

মৈতৈলোন্দা

তাবিয়ু ঠাকুর সাস্ত্রনা হায়বা অমা লৈ মদুদি :-

ব্রাহ্মনগী গুরুদি মৈনি বর্ন (জাৎ) মরীগী গুরুদি ব্রাহ্মননী পুম্নমক্কী গুরুদি অতিথিনি।

জ:মি: ঃ- চিংনবিগনু ঠাকুর আশন্দা লেঙশিনবিয়ু

(শুকৃতি ব্রাহ্মন ফিদাদা মরাইবক কত্তুনা ফম্বা)

শুকৃতি ঃ- মিশ্র ঠাকুর ৱারি অমত্তবু শাজখিগে।

জ:মি: ঃ- তাকপীয়ু তাকপীয়ু ঠাকুর।

শুকৃতি ঃ- সিনিদা বৃন্দাবন্দা ঐনা গোপালদেব অমা সেবা চৎচরম্মী, মফম খঙদনা মাঙখ্রে। ঐসে পুঙাও ঙাওরে, মাদু থীবা ওইনা থোকচরকপদগী মফম খঙদনা অসি য়ৌরকপদা উবগুম তৌই। চান্নবা উরবরা হায়বসু উদবা অসুৱাইদা অসুম মাঙখ্রে লাপ্না লাকপগী ৱাবগা ঙরাংসু একাদশী ব্রত ওইবগা ঐবু ভাব অসি মঙওই হাওই পূক্লিং অসি ইরাং লাক্তকই।

জ:মি: ঃ- ঠাকুর গোপাল দেবগী লুক সেবা ওইনবা লূক হৌবিরো প্রসাদি খজিক্তং ফংলগা ঙাইহাক্তং পোত্থাবিয়ু...।

(জ:মি: না শচী কৌথোকপা)

জ:মি ঃ- শচী.. থোক্লকউ লাও নচা নিমাইসু পুরকউ ব্রাহ্মন অতিথি অমা বৃন্দাবন্দগী লেংঙকই ব্রাহ্মন খুরুম্মু লাও।

(শচী মালীনী পুন্না থোক্লকপা তুংওইননা নিমাই মমাগী ফীজী পায়দুনা ইল্লকপা নিমাই চেপথ চেপথ ব্রাহ্মন্দা য়েংদুনা হি হি ... হি হি ... নোকপা।)

জ:মি: ঃ- শচী ঙসিদি নঙ ঐগী লাইবক ফবা নু।মৎনি অতিথি ব্রাহ্মনগী সেবা

ফংগদৌরিবনি গোপাল দেব লূক সেবাগী পোংলম ধোঙগদবনি।

শচী ঃ- ফগনি ঠাকুর। (সখী, মালীনী, নিমাই ব্রাহ্মন খুরুম্বা)

শুকৃতি ঃ- কৃষ্ণ মতী রতী রস্তু। (খুরুম্বা হৌগৎলকপদা শু:ব্রা:না নিমাইদা মুন্না য়েংবা)

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর অঙাং অসিবু কনাগী...।

জ:মি: ঃ- ঠাকুর ঐগী ইচানি য়েৎ থংবদা লৈপ্লিব অসিনা অঙাং মমানি শচী কৌই।

(শুকৃতি ব্রাহ্মন অসিবু তৈথীক ব্রাহ্মন হায়নসু খঙনৈ।)

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর অঙাং অসিবু করি মমিং কৌবগে ?

জ:মি: ঃ- ঠাকুর ঐগী ইচা অসিগী মমিং ওম্থোক্লা য়ামখ্রেদা :- গৌর, গৌরাঙ্গ, গৌরহরি, গৌরমনি, নদিয়া ইন্দু, নবদ্বিপচন্দ্র, নিমাই বিসম্ভর অসিনচিংবা অসিনি। বিসম্বর হায়বা মিং অসিমদি ঐগী ইকু নিলম্বর চক্রবর্ত্তিনা যোতিষ শাস্ত্র য়েংলগা থোনবনি।

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর অঙাং অসি নুংশিখ্রেদা পোথাবা ওইনা অঙাং অসিগা ৱারি শামিন্নজদুনা ঙাইহাক্তং ফমমিন্নজনিংখ্রেদা।

জ:মি: ঃ- য়ানি য়ানি ঠাকুর, নিমাই ব্রাহ্মননা ৱারি শান্ননিংই হায় চৎলো চৎলো।

(ব্রাহ্মননা অঙাং পুথোক্তুনা লেপহনবা য়েংবা য়েংনা য়েংনা)

ব্রাহ্মনগী ঈশৈ

ফজৈ ফজৈ গৌরগী শকফম। (গৌরঙ্গনা জগোই শাগনি)

থা কোটিবু ঙমজবা শকফম।

লৈতে লৈরোই চাংদম্লিংঙাই॥

(জ:মি:না য়োৎশবী, খাবৈ- চেগপ, চাকথোং কোল পুখম অমদা কবোক অফাবা খর শুত্রগী ফমফম মমাং অদুৱাইদা থমগনি, কেরোসিন তোৎপা ৱাই খর তাঙ্গ অমদা হাপ্তুনা মৈ চুখৎকনি।)

(অসোমদনা মাঙ্গং, ময়ায়দা শচীনা লূক কৎফমদা তুলসী, ধূপ- ধীপ হৈরক কৈ- শু থৌরং তৌগনি।)

জ:মি: ঃ ঠাকর লেংশিনি [illegible] য়ারগনি।

শু[illegible] ঠাকর! ([illegible]াহ্মননা চাক থোংবা মনাক্তা নিমাই ফমদুনা [illegible]

ব্রাহ্মনগী ঈশৈ

তুলসীনা মালা ওইরদুনা,

রামগী নামবু শোনশি,

হরিগী নামবু শোনশি।

(নিমাইনা খাবৈ তাপ পাইদুনা চাকওৎপা মিশ্র ঠাকুর চেনশিল্লকপা)

জ:মি: ঃ- নিমাই করিনো নঙনা তৌরিদো থোক্লকউনে চাক অদু মাংলে হায়রদি করম তৌগনি।

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর চাকশি মাংই হায়জরোইদা অসুক ফজবা নুংশিবা অঙাং অসিনা শোকপবু... গোপাল দেবনা হেক লৌবিগদৌবোইদুম নিংইদা ।

জ:মি: ঃ- কৃপানি ঠাকুর।

(ব্রাহ্মন অতিথিনা চাক থিদোক্তুনা সেবা মফমদা ফম্বা)

(জ: মিশ্রনা নিমাইগী মখুদাং পায়দুনা শচী কৌথোকপা)

জ:মি: ঃ- শচী !

সচী ঃ- অজ্ঞ্যা। (শচী থোক্লকপা)

জ:মি:ঃ- শচী ! সে সে নচাসি য়াম্না ঙাওবা অঙাংনি অতিথি সেবাদা অকায়বা ওইদনবা নমা নচা নখোয় ইমুঙদা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈরু অঙাং চেকশিন্না থম্মু।

শচী ঃ- ফগনি ঠাকুর। (নিমাই পমদুনা মলীনীগা ইমুঙ চঙখিবা, অঙাং ফমুঙদা হিপহনবা মমা অনী উইবা)

শুকৃতি ঃ- হে গোপালদেব ইহ আগছ আগছ ইহতিষ্ঠ ইহতিষ্ঠ ইহ সন্নিহিত ভব।। (মখুৎ লোন্নদুনা মমিৎ উইশিনবা)

নিমাই তপ্না থোক্লক্তুনা চাক লাক্তুনা চাবা।

শুত্র গীত এক্তাল - মা ৬

সবর্ব ভূত অনতর [illegible]মি শ্রীশচী নন্দন।।

মানে মানে বিপ্রে [illegible]বে দরশন।।

ধ্যান মাত্র বিপ্রহর করিতে লাগীলা।।

[illegible] ধুশর [illegible] অঙ্গে দ্বিগম্বর।।

[illegible] যান [illegible] দিবে [illegible]শন।।

এক গ্রাস খাইলেন শ্রীগৌরহরি।।

সব অর্ন্ন ফেলা ফেলী সব খাইলেন।।

নাচত গৌরবরী শচীর দুলালে।।

মৈতৈলোন্দা

পুন্নমকপু খঙবীরবা শচীগী মচা ওইরিবা।

লেংথোক্লক্লে গৌরহরী থৌজানবিগে খনবিরীবা।

ব্রাহ্মন্না নীংজৈ পূক্লিং চঙনা।

উবিরক্লে গৌরাঙ্গানা।

কিরুক কিরুক মিৎয়েংনা।

মমা লাকপরা য়েংলদুনা।

উফুল্লক্তা ওন থোইখরে।

তরু তরুবা মিৎস্না অনীদো।

মনাইবু নুংশিনা য়েংবিরিদো।

(মথক্কী শুত্র ঈশৈ অসি হৌবদা প্রভূ (নিমাই) ফমুংদগী তপ্লা হৌগৎতুনা কোইয়েং কোইয়েং কিরুক কিরুক য়েংবা ব্রাহ্মনগী কৎলিবা চাক অদু খর লৌদুনা চাগনি, চাক পুখম অদু চিংথোক্তুনা পুরক্লগা মচী অমদা চাবা।)

শুত্র গীত (তাল অকুংবা)

এক গ্রাশ খাইলেন শ্রীগৌরহরী,

সবর্ব অর্ন্ন ফেলা ফেলি সব খয়ীলেন,

নাচত গৌরহরি সচীর দুলাল

মৈতৈলোন্দা

খুবাম খুবাম চাবিরক্লে।

খুবাম খুবাম চাইখাইরক্লে।

মোমোন মোমোন নোকপীরী।

খুৎনা জগোয় শাবিরি। (শুত্র ঈশৈ থাবা)

শুকৃতি ব্রাহ্মন ঃ- জয় শ্রীগোপাল দেব (হায়রল্লগা দণ্ডবৎ কৎকনি, মায়

হঙ্গৎলকপদা চাক পুখম লৈরমদবা উবদা ঙকপা কোয়েং য়েংনব মিশ্র কৌবা)

মিশ্র ঠাকুর ! মিশ্র ঠাকুর !

জ:মি: ঃ- করি তাকপিগদবা তাকপিয়ু ঠাকুর।

শুকৃতি ঃ- অঙকপা ওইরেদা ঠাকুর ঐনা গোপালদেবদা কৎচবা লূক অদু পুখমগা লোইননা লৈরমদ্রে...।

জ:মি: ঃ- হি ! .. করি মতৌনো... উম: য়োংনা পুরম্বা তারে পোত্থাবিয়ু ঐ অমুক্তা থিজরুগে ।

(মিশ্রনা মখুত্তা চৈশু পায়দুনা কোইচৎ চত্তুনা থিবা নিমাইনা চাদুনা লৈরম্বা থেংনবা নিমাই ফুক হৌগৎতুনা অকিবা মওংদা লৈবা।)

জ:মি: ঃ- নিমাই ! করি মতৌনো নঙনা তৌরিবসে করি বেব্যহারনো, নঙনা ব্রাহ্মন পূজা থুগায়দুনা চাক হুরান্দুনা চারিবা করিগীনো, অদুগুম্বা লমচৎ তৌব্রা।

নিমাই ঃ- বাবা আমার দোষ নয় নয় (ঐগী দষ নত্তে বাবা) ব্রাহ্মন অসিনা ঐবু কৌদুনা চাবিয়ু হায়জবদগী ঐসু চাবিবনিদনা।

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর ঐদি নচা ইবুংঙোবুদি কৌজদেকো।

নিমাই ঃ- নঙনা চাবিয়ু হায়না কৌবদুদি..।

শুকৃতি ঃ- হি : হি: হি: ঐনা কৌজবদি - গোপালদেব ইহা গচ্ছ ইহা গচ্ছ ইহ তীষ্ঠ ইহ তীষ্ঠ ইহ সন্নিহিত ভব।। গোপাল দেববু কৌজবনি নচা ইবুংঙোবু কৌবা নত্তে।

জ:মি: ঃ- লমহেনবা ইকায়দবা চাকলাকপা ব্রাহ্মন অসিনা গোপাল দেব আবহন তৌজদুনা লূক কৎলগা নঙনা চাক লাক্তুনা চারুবা ইকায়দবা নঙ গোপালদেবরা।

নিমাই ঃ- মানে মানে ঐ গোপালদেবনে।

জ:মি: ঃ- বিষ্ণু বিষ্ণু যার ছত মুখে বড় কথা (বিষ্ণু বিষ্ণু পীকখ্রবা মচিন অসিদা কয়া চাওখ্রবা ৱা) ঙসিদি গোপালদে থিক তৌগে (তানবা)

(অঙাংগী হৌনবী য়াম্না নুংশিবা মওংদা)

নিমাই ঃ- লাওনে লাওনে ফুবিরলাওনে (মখুৎ খত্তুনা কৌবা) 'উ' (লাউবা)

জ:মি: ঃ- উ কাসু তৌইনে। (তানবা, অমুকসু 'উ' লাওবা) মসিমক্তা ফুগে (ফী শেন্বা)

নিমাই ঃ- মসিমক্তা ফুগে মফীশেন্বা। (মপাগী মতৌ তম্বা)

জ:মি: ঃ- ইয়া ইতৌ তম্মীনে।

নিমাই ঃ- ইয়া ইতৌ তম্মীনে।

জ:মি: ঃ- নিমাই নঙ মতোইনরা।

নিমাই ঃ- নিমাই নঙ মতোইনরা।

জ:মি: ঃ- হায় চাক লাকপা।

নিমাই ঃ- হায় চাক লাকপা।

জ:মি: ঃ- নঙ ঙসিদি ফূবা তারেদো।

নিমাই ঃ- উম নঙ ঙসিদি ফুবা তারেদো। (মঙক মরু হায়দুনা)

জ:মি:-ঃ- বিষ্ণু বিষ্ণু ... ইস !

(খুৎ নামা থবাক্তা ফুরগা কোক্তা খুৎ হাপ্তুনা ফমথনা)

(নিমাইসু মপাগী মতৌ তম্বা)

জ:মি: ঃ- করিনো মসিনা ঙসি তৌরিবসিবু।

নিমাই ঃ- করিনো মসিনা ঙসি তৌরিবসিবু।

জ:মি: ঃ- হে সৈত্য মসিগী অঙাংসে ঐগী প্রানসে।

নিমাই ঃ- প্রোক প্রোক হেক চাকইদা।

(মিশ্র শাউনা ফুক হৌগত্তুনা)

জ:মি: ঃ- সৈত্য সৈত্য সৈত্যনা শাখি ওইরসনু নঙমক্তা ফূগে।

(লৈবাক্তা চৈনা ফূবা নিমাই চেনবা মপানা তানবা চেন্না চেন্না)

নিমাই ঃ- মেরোন বাবা মেরোনা বাবা, ঐবু ফূবিগনু ফূবিগনু। (চপ লেপ্পা)

নিমাই (প্রভূ) ঃ- (খূৎনামা থাঙ্গত্তনা)

বাখো বাবা- লৌকী ততে তুমি অমার পিতা,

অন্তরেতে তুমি আমার প্রিয় ভক্ত,

দেখ অমি স্বয়ং ভগবান।

মৈতৈলোন্দা

ঙাইখো বাবা ! নহাক অসি মপানথোংদদি ঐগী ইপানি,

মনুংদদি নহাক অসি ঐগী অচানবা ভক্তনি।

য়েংউ বাবা ঐসে স্বয়ং ভগবান।

(বিশ্বরূপ মূর্ত্তি দর্শন পিবা মোইবুং যংগ্লগা লোইননা)

জ:মি: ঃ- করিনো কনানো করম্বা দেবতানো, অঙকপা রুপ ময়াম্না পুল্লিবা, ময়াম অসিগী মরক্তা ঐগী ইচা নিমাইসু য়াওরি। ঙমদ্রে প্রভূ ননাই য়েংবা ঙমদ্রে নংগী অশেংবা রুপ অমত্তং ননাইদা দর্শন পিনবীয়ু হে ভগবান।

(খঙহৌদনা ললিত ত্রিভঙ্গ রুপ রসরাজ কৃষ্ণ মুর্ত্তি হেক উবা)

প্রভূ হা কৃষ্ণ হা গোবিন্দ হে বঁশিধারি তোল্লবা ননাই জগনাথনা করি পূন্য তৌরক্তুনা ধ্রুব নার্দ প্রহ্লদ যোগী ‹ষি কয়ানা কোটি কলপ ধ্যান তৌবদা ফংঙমদ্রবা তাংলবা রসরাজ শ্রীমুর্ত্তিবু তোল্লবা ননাই জগনাথদা দর্শন পিনবীবা দয়াময় নংগী থৌজালগী লমনবু ননাইনা করিনা সেবা ওইগদগেনে প্রভূ।

শ্লোক

শজল জলদ নিলং

দরসিতোদা শিলং

করতল ধৃত শৈলং

বেনু বাদ্য বিসালং

ব্রজ জন কুল পালং

কামীনী কেলি লোলং

তরুন তুলসী মালং

নৌমি গোপাল বালং

প্রভূ তাঙলবা শ্রীচরন অদু ইখুৎনা ফংনা অুক্তা পেন্না কোঞ্জগে.. প্রভূ। (চঙশিন্দুন প্রভূগী চরন্দা তুথবা চরন কোনবা) ঈংলে প্রভূ শ্রীচরনবু শোকচবদা পাপ চেল্লবা হকচাং অসি ঈংলে। (চরন কোন্না কেন্না চেপনা চেপনা ওনবা) হা কৃষ্ণ গোবিন্দ মপোক মপোক খুদিংদা নঙগী শ্রীচরনবু ননাইদা অতৎপা লৈত..না।

(ব্রাহে মপুং ফাদ্রিঙৈদা মিৎ পাংথোকপা প্রভূ লৈরমদবা ঙাওদুনা চেনবা)

জগন্নাথ মিশ্র ঃ- কদাই, কদাইদনো হৌজিক্তা ঐগী মাংদা লেপ্লিরম্বা ... ত্রিভঙ্গা ভঙ্গিমা রুপং বেনু রন্দ্র কারাঞ্চিতং। গোপী মন্দল মৈদ্ধষ্ঠে সোবিতা নন্দ নন্দনং। নঙ্গী শুদ্ধৎনা নুংশিবা ললিত ত্রিভঙ্ক রুপ অদু অমুক্তগা উহনবিখোনে প্রভূ। (লৈমাইদা তুথবা, হৌগৎপা কৃষ্ণ রুপ উরম্বা কাওখিবা)

করিনো ঐনা তৌরিবা অসিবু, ঐবু মঙলা তাইবংলা তূমলুরবরনে... (ঙকপা) হি: ব্রাহ্মনগী চাক লাকই হায়দুনা নিমাইবু ফুগে তান্নরম্বা নত্রনে.. মানিদা কদায়দা চৎখ্রে। (থিবা)

নিমাইচান্দ.... সুনারচন্দ... (চেনবা)

নিমাই ঃ- (অথাপ্পা মফমদগী) বাবা... ঐ অসিদা লৈয়ে করি হায়গদৌরিনো।

জ:মি: ঃ- মানা তৌরিসে ঐবু কিদুনা লোৎলিবনিনে। বাবা ফুরোইয়ে ইপা পামগে লাও চেল্লকউ... (নিমাই চেল্লকপা)

নিমাই ঃ- বাবা ...বাবা...বাবা (মপানা ওক্তুনা পম্বা)

জ:মি: ঃ- হয়েং মখে অসিগুম্বা থবক তৌবা হৌনদে ইকায়দ্রা।

নিমাই ঃ- ইকায়দে।

জ:মি: ঃ- নঙ হায়দোক্কেদো।

নিমাই ঃ- হায়দোকচৌ।

জ:মি: ঃ- হো .. চাক হুরানব।

নিমাই ঃ- হো...হাউ।

জ:মি: ঃ- হি : ঐদি ওন্নরেদা অঙাং অসি অফ- ফত্ত, অচুম- অরান খঙদেসে ময়া য়াওদে। ব্রাহ্মন পূজা কায়হল্লিবসে... ইচা নিমাই নত্তে, মমা শচীননি, অঙাং চেকশিন্দবা, অঙাং থাদোকপদগী ... খংগনি ঙসি, নিমাই বাবাগী তুংদা লৈয়ু নমা উহনগনু নমাসে ব্রারক্তবা য়াদ্রে নমানা কৌরক্লবদি খুমগনুকো।

নিমাই ঃ- খুম্মোই বাবা।

জ:মি:ঃ- চংশিল্লক্তুনা শচী... শচী... (খুমদবা)

(জ:মি: চঙশিন্দুনা য়েংবা শচী মালীনী উইদুনা লৈরম্বা জ:মি: খর হন্দোক্লগা)

কয়াদনোসে নুমিৎ যুংবা মতমসিদবু অসুক কন্না তুমদুনা লৈব অসিনদি মচা ফবা হৌনদে। মসিদি ..শচী... শচী... (কন্না কৌবা)

(পাইরিবা চৈ অদুনা লৈবাক্তা পোপ থাবা, শচ- মালীনী খংদুনা ইঙক ঙক্না হৌগৎলকপা)

শচী ঃ- অজ্ঞ কি বলুন

জ:মি: ঃ- নিমাই কোই গেল

শচী ঃ- নিমাই অসে

জ:মি: ঃ- কোথায় আছে

শচী ঃ- প্রজঙ্কপর শুতি রহি

জ:মি: ঃ- হা: হা: হা: (নোকপা)

মৈতৈলোন্দা

শচী ঃ- করি তাকপীগদবা ঠাকুর।

জ:মি: ঃ- নিমাই কদায়দা লৈ।

শচী ঃ- ইমুংদা লৈ ঠাকুর।

জ:মি: ঃ- ইমুংদা করি তৌরিবা।

শচী ঃ- ইমুংদা তুম্মহল্লি ঠাকুর ব্রাহ্মন পূজা কায়দনবা।

জ:মি: ঃ- উম অঙাং হোদোকলকউ, অঙাংদু ঐগী ইনাক্তা পুথোকলকউ।

শচী ঃ- ফগনি ঠাকুর।

(শচী মালীনী ইমুং চংখিবা ফমুংদা নিমাই লৈরমদবা ইপা পাখৎপা ইথক থক্কৎপা)

শচী ঃ- মালীনীমা করম তৌনি অঙাং ফমুংদা লৈরমদ্রে করম তৌনি ঐদি।

মালীনী ঃ- লৈরমগনি শচীমা অঙাওবা অঙাংনি লোত্তুনা লৈরমগনি থিসি।

(শচী- মালীনী ইমুংদা লোন্না খুৎ শানা ঈঙ্গিৎ তৌনদুনা থিবা মপান্দা মিশ্র ঠাকুর ঙক থাঙ্গৎতুনা মনিল অদু তাবা ঙক নোমদুনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবা)

জ:মি: ঃ- শচী ! (খংলাও লাওবা শচী মালীনী পাখত্তুনা চেম্থোরক্লপা)

শচী ঃ- অজ্ঞ্যা তাকপিয়ু।

জ:মি: ঃ- অঙাং কদায় ?

শচী ঃ- তুম্মীয়ে ঠাকুর।

জ:মি: ঃ- চৎলু অঙাং পুথোক্লকউ।

(শচী মালীনী চেনশিনখিবা ইমুংদা খুদোম্বী থিন্নদুনা ঈঙ্গিৎ তৌনদুনা কিবদগী লৈবা ওইনা মালহল্লাগা হৌদোকপা)

শচী ঃ- নিমাই, সুনারচন্দ যাদুমনি (নোক্লিংবসু য়াওবা)

জ:মি: ঃ- শচী ! করি তৌরি ঐগী ব্রা থওইদ্রবা। (শচী, মালীনী চেম্থোরকপা)

অঙাং কদায়। (শচী মালীনী ইফিং ফিংনা)

ঈশৈ

ফত্তেদা মাসে হৌগৎলু হায়রগা তূমখিগে মহাই।

জ:মি: ঃ- করি...।

শচী ঈশৈ

হৌগৎলু হায়রগা তুমখিগে মহাই।

(শচী- মালীনী মমিৎ- মনা মাইকৈ খুদিং লোন্না লোন্না য়েংবা)

জ:মি: ঃ- হায় শচী ! (খংলাও লাওবা)

ফিংনা (শচী ঈশৈ)

লম্না হেল্লিবা নিংঙাইনা কল্লিবা

ঐখোয়দা মীৱাতা পাংতাদ মতাই

(হায়রম্লগা শচী- মালীনী ইমুংদাচেনশিন্দুনা)

গীত

নিমাই হৌগৎলোনেহে (ফৃশিন্নবা)

বাবানা শোয়দনা ফুবরনী হৌগৎলোনেহে।

জ:মি: ঃ- করিনোনে তৌরিবসিবু মীগী মচা পুশিন্দুনা ফুরমদুনা ৱা থোক্কনিকো ঙসি। হায় হায় সচী অঙাং ফুরুরনু থোক্লকউ ঐ হৌদোক্কে।

(শচী মালীনী পাখৎখিদুনা চেন্থোক্লগা খুৎলোন্নদুনা)

শচীদগী ঈশৈ

তাবিয়ু ঠাকুর অঙাংসে য়াম্না তুম্লিংলমাল্লে তুমজরসনুবা কৈদৌবগে।

জ:মি:ঃ- (চৈবা) দৎ, অঙাং হৌদোকউ হায়রগা তূমজরসনু কা হায়দুনা, চৎলু ননি মাখন পীজগেরা ঙম্নবা হৌদোকউ।

(শচী মালীনী চংখিদুনা পুখম অমদা লদু হাপ্লগা মখুৎনাম নাম্মনা পুখম মপান্দা পায়রগা ফমুংলোমদা ওনশিন্দুনা)

গীত

নিমাই চাররোনেসে,

রদুসু লৈরে পেরাসু লৈরে

চাররোনেসে।

(নিমাইনা মপাগী মতুঙদগী লোন্না লাক্লগা মমা উহন্দনা পুখমদগী তপ্না

লৌরগা মপাগী মতুংদা অমুক চেনখিব শদু চাবা) শচীনা মনিল অমা ফংবদগী হন্দুনা য়েংবা, পুখমদা লদু অমা ব্রাৎপা উবা)

গীত

নিমাই নিমাই...

লদুসু লৈরে পেরাসু লৈরে

চাররোনেলে।

(নিমাইনা মপাগী মনাক্তগী চেল্লক্তুনা পুখম মপান্দা মখুৎ অনীনা তাপ পাইবা, সচীনা য়াম্না থুনা মচা পমখক্তুনা ইমুংদা চেনশিনবা ফমুংদা অঙাং হিপহনবা, অমুক পল্লগা হরাওনা পুথোক্লকপা মরক অসিদা মপানা লোন্না তান্নদুনা অঙকপা মওংদা য়েংবা য়াম্না থুনা লাপ্না থোকখিবা।)

শচী গীত

ইমাগী নীংবা থুংজরে।
ইমাগী অৱাবা কোকচরে।
মমা নীংবা মচানি।
মমাগী অৱাবা উবনি।

শচী ঃ- ঠাকুর ঠাকুর নিমাই হৌগৎলে পুথোকচরক্লে।

জ:মি: ঃ- শচী অঙাং অদু কদাইদা লৈরম্মী ?

শচী ঃ- ঠাকুরনা তাকপিবদুদি অঙাং চেকশিন্না থম্মু হায়বিবদুদা ব্রাহ্মন পূজা তৌরি, ইচাসে অঙাওবনিকো হায়দুনা ব্রাহ্মন পূজা কায়দনবা ফম্মুংদা তূমহন্দুনা থমজরুবনিদনা।

জ:মি: ঃ- ভালো ভালো অঙাং চেকশিন্না থমলম্মীদা অসিগুম্বা মমানবু মচা শোয়বা হৌনব্রা।

শচী ঃ- অহোয়... ননাই ঐনা ঠাকুরগী য়াথং কায়দনবা হায়দুনা..।

(মালীনীদা য়েংলগা মমিৎ খৎপা)

জ:মি: ঃ- (শাউনা) শচী ! তুমি মিছা কথা করিলে তুমার কি লাভ কি ভলাই আছে, দুর থেকে জাও। (শচী মালীনী কিনা হন্দোকপা)

রাখোরে, ঐই দীগে চল ... শাবদ্বান ! (নিমাইনা চাক চাফম উহনবা)

এই কি বেব্যাহার। (চৈশু অদুনা পুখম মপান্দা কক কক ফুবা)

দেখ, তুমী তুমার পুত্রকো ভাল মতে শিক্ষানা করে ব্রাহ্মানের পূজাসব নস্ত করে।(পুখম অদু চৈনা কোত্তুনা শচী মালীনীরোমদা ইনশিনবা, মচারোমদ ওনশিন্দুনা)

ডাকাটি ! চ্ছি চ্ছি বড় লজ্জা, তুমি দ্বিজ বংসের সন্তান হত্তে, কাকের রিতি কারে শিখিলগ জাও।

(নিমাইবু মনমগন্দা খুপাক্লা থারগা শচীদা ইনশিনবা নিমাইনা মমাগী নাক্তা চেনশিনবা)

জ:মি: ঃ- (শাউনা) শচী ! তুমি মিছাকথা করিলে... দুর খেকে জাও দগী- চ্ছি চ্ছি বর লজ্জা... কারে শিখ্রিগ পদ ফাওবগী মণিপুরদা হন্দোকপা)

জ:মি: ঃ- (শাউনা) শচী নঙনা মীনম্বা ৱা ঙাঙলগা নঙগী করি কান্নবা, করি তোংজবা লৈ লাপ্লা চৎখোকখো চৎলু। ঙাইখো অসোমদা চৎলু লেপ্লু য়েংউ। অসি করি লমচৎনো। নঙনা নচা নীংথিনা ৱারক ৱাতেমদবদগী ব্রাহ্মনগী পূজা, পুন্নমক মাংলেদো। হায় লমহেনবা ফত্তবা তুক্কচৈ ইকায়দা নং ব্রাহ্মন শাগৈদা পোকপনি, কাক্কী লমচৎ চৎপা, চৎলু।

নিমাইবু মনঙ্গন্দা খুবাক্লা থারগা সচীদা ইনশিনবা নিমাইনা মমাগী মনাক্তা চেনশিনবা

শচী মালীনী গীত তাল - এক তাল মা ৬

আইসরে নিমাই আইসরে নিমাই আইস মায়ের কুলে।। হেনরিতি তোমা কি মানুষ করে ধিক শিশু মোর কুলে।। ক্ষির সর ননি দধি দুদ্ধ খানি সজি দিল তোমা লাগী কেনেরে নিমাই অন্ন চুরি খায় চ্ছি চ্ছি লাজে মরি মরি।।

আইসরেগী অনুবাদ

লাওনে নিমাই লাওনে নিমাই, ইমানা তম্পাক্তা পমগেনে নিমাই।। করিগী লমচৎনো করম্বা শাজৎনো পীক্লিবা নৌরিবা অঙাং ওইরিবা। ক্ষীর মাখন্নী সঙ্গোমন্না শেম্বনি। নঙ্গীদমক ইমানা থন্লিবনি। করিগী নিমাই হুদুনা চারিবা। ইকাইজৈ ইকাইজৈ ইকাই খঙদবা হা নিমাই হা নিমাই নিমাইরে (নিমাই নংবুনে) ক্ষীর....।

গৌরমনি নিমাইগী অনুবাদ

অঙৌবা মনি লাওনে নিমাই।

নুংশিবা খোম্থোক্লা ইমা ইমা হায়না অমুক্তা কৌনে।।

শরতকী থাবু ইচানা হেল্লি
মোমোন মোমোন নোকপনা ফজবা হেল্লি।
থানা- ইকায়রে লোৎখরে লৈচিন মরক্তা।।
য়েংউ য়েংউরগা য়েংনিংবা হেল্লি।
থানা তূমিন তূমিন য়েংই লোন্না লোন্না য়েংই।
ইকায়রে লোৎখরে লৈচিন মরক্তা।
মীয়াম্না হায়নৈ অঙাওবনি হায়না
শচী ঐঙোন্দদি সনা মতুম্নী তম্পাকথক্কী ইরন্নিনে।
শাওগে খল্লি শাওবা ঙমদে মাগী নোকমি
নোকমিবসিনা থাম্মোয় খাংঙমদে। মীয়াম্না

জ:মি: ঃ- স্বাগত লম হেল্লিবা অঙাং অসি ব্রারকউ হায়রগা মচা মশক ফজবা থাগত্তুনা লৈরেনেসে। (খর শাওরপ্লা) হায় শচী ! চৈসি পাইয়ু লমহেনবা নচাদু ফূ।

শচী লোল

ফুজগে ঠাকুর, ফূদদি করিগী ফূরোই।
(নিমাই কপ্লী কপ্লী তৌদুনা লেপ্লা, মিশ্র ঠাকুর চখোকখিবা)

শচী

নিমাই, য়েংঙোই বাবা উদ্রিবৈদা ইমাগী মাঙসিদা লেপ্পুরাও ইচাবু করিগী ফূজরুনি- ফূরোই।

(নিমাই চঙশিন্দুনা মমাগী মাঙদা লেপ্লা, শচী মখুত্তা চৈ পায়দুনা লাপ্তক লেপ্লা মখূৎ- মশা ফন্দোক, মঙক মরু কেথনদুনা শচীনা ঈশৈ শকপা)

গীত

কেথরো কেথরো কেথরে নিমাই ইমাগী মাংদা ঙম্বা মখৈ হেক্তা কেথরো।

হেক লোইনরকপদা তুংলেমদগী মপানা জগন্নাথনা শচীনা পায়রিবা চৈ অদু থাক কম্থরগা)

জ:মি:ঃ- অসিরা অঙাং ব্রারকউ হায়রগা ফূ ফূনে। (চৈ পায়দুনা হোৎচিল্লকপা শচীসু চেনশিন্দুনা)

শচী গীত (থুমরি মা: ৪)

ফুবদি হায়রুনু চৈবদি হায়রুনু মশক অসে য়েংলগা চুপ্তুম চুপ্লীংই।

শাউনিংবদি হায়রুনু নুংঙইতবদি হায়রুনু

মতৌ অসে উরগা পেন্দুম পেঞ্জেদা।

জ:মি:ঃ- এ: নচা চাক লাকপদুবো...

শচী গীত

চাক লাক্কে লাকসনু মীগী হুগে হুরুসনু

ইচানা তৌরিবা মখে মমা ঐনা য়াই য়াই য়াই

মপানা নিংথৌনি মমা ঐনা রানীনী যুবরাজনী ইচাসে য়েংবিয়ু নুংশিদরা।।

জ:মি:ঃ- হায় শচী অদুম তৌরবদি মাঙবা তারেনে নচাদো, অু নবু অফবা নচা ওইগদরা ফুনে।

শচীঃ- থোকহল্লিবা অসি ইচানা নত্তেয়ে ঠাকুর।

জ:মি:ঃ- এ: অদুদি কনানা থোকহল্লিবা

শচী গীত

ব্রাহ্মন অমা লাকপীদো অতিঠীনী তাকপদো

ইয়ুং মহি লা:হল্লে পুম্নমক ইচাদা তাইনবিরে।

শুকৃতি ঃ- হায়মাইপেম্মা করম্নো করি মতৌনো ঙসিসিবু

গীত

মপাসু ঙাওরে মমাসু ঙাওরে অঙাওবগী মরকসিদা বামো ঐসু ঙাওরে।। (ফমথবা)

জ:মি: ঃ- করিনোনে ঙসিসিবো- শচী পুম্নমকসে নংনা থোকহনবা ঙাক্তনি।

(শচীনা নিমাইদা ওনশিন্দুনা)

গীত

নিমাই নঙসু হাকমল্লি ইমাবু হ্রাহল্লি

লমহেবা হেনমনবনা ইমানা অসুক হ্রাবনি।

(জগন্নাথ মিশ্র- শচী অনীনা অতিথি ব্রাহ্মন্দা হায়জবা)

হে ব্রাহ্মন অথোইবা অপরাধ লৌবিগনু

অনৌবা লুক অমুক হৌনবা তৌবিয়ু।

(অমুকহন্না ব্রাহ্মননা গোপালদেবদা লূক কৎপা)

(প্রভূ (নিমাইনা) না মমা উহন্দনা থোকলকপা)

সীত্র গীত দুই ঠেকা

পুনরপি আইলেন দেখে বিপ্রবর ।

অরুন নয়ান করে শ্রীসচী সুন্দর।

হাসিয়া বিপ্রের অন্ন লাইলেন করে।

(তান কুংনবা) এক গ্রাস খাইলেন দেখে বিপ্রবরে।।

(প্রভূ চাক চানা চানা পুখম পুদুনা ফমদুনা চারুবা)

মৈতৈলোন্দা

অমুক হন্না লেঙবিরক্লে ব্রাহ্মনগী নাক্তা।

থৌজালগী মিৎয়েংনা য়েংবিরে শচীগী মচাইবুংঙো।

মোমোন মোমোন নোক্কুনা ব্রাহ্মনগী চাকপু লৌরে।

ব্রাহ্মনবু য়েংনা য়েংনা চাবিরে চখোম অমা।।

মৈতৈলোন্দা তাল দুইঠেকা

অমুক হন্না লেঙথোকলক্লে, ব্রাহ্মনগী মাংদা লেপ্লরে।।

শচীগী মচা গৌরাঙ্গানা ব্রাহ্মনবু নুংশিনা য়েংবিরে।

ব্রাহ্মন্না কৎচবা চাক য়েঞ্ছাং নোকমী নোকমী চিংনা য়েংই।

চখোম অমা চাবীখ্রে ব্রাহ্মনবু নুংশিনা য়েংবিরকই।

শুকৃতি ঃ- জয় শ্রীগোপালদেব - খুরুম্বা। (চাক পুখম লৈরমদবা)

শুকৃতি ঃ- মিশ্র কুলবতি ! অমুকসু লৈরমদ্রে, চাকনা চাক লাম্বনে নুঙাইখিদ্রেদা। মিশ্র ঠাকুর ঠাকুর অমুক্তা অমুক্তা লেংথোকপিরউবা।

জ:মি:ঃ- করি তাকপিগদবা।

শুকৃতিঃ- হন্দক মুকসু লৈরমদ্রে (লৌখ্রে)।

জ:মি: ঃ- ঠাকুর লেঙশিনবিয়ু আসন্দা ঐ থিজগে। (থিবা, উন্নবা)

জ:মি: ঃ- নিমাই করিনো নঙনা তৌরিবসে ব্রাহ্মনগী পূজা থুগাইদুনা চাক মাঙহল্লিবসি অমুক্তা নত্রে অনিরক শুরে করিনো নঙনা ঙসি তৌরিবসিবো।

নোংঙানবদগী নমা শচীনা নঙগীদমক হায়দুনা মনী- মখন, লদু বেড়া, সঙ্গোম... কয়া লাঙদুনা পীজরে চাবা ঙমদদুনা অরেম্বা অদু য়োংদা পিজখোক্লে। অদুগা মনা- মশিং খরদং হৌদুনা গোপালদেবদা কৎলগা প্রসাদি ফংজগে তৌরিবা অতিথি ব্রাহ্মনগী চাক অসি নঙনা কৎপগা লাকপগা কৎপগা লাকপগা...।

নিমাই ঃ- বাবা মানা চাবিয়ু হায়না কৌবদগী চাবিবনিনে বাবা।

শুকৃতি ঃ- হি : হি: ... করি ৱানো ঐদি ঐগী ইবুংঙো শ্রীগোলপালদেব কৌজরগা গোপলদেবদা কৎচবতনি, ইবুংঙো নঙবুদি কৌদেনা।

জ:মি: ঃ- লমহেনবা অঙাং নঙমক্তা ফুরগে। (চৈ পায়দুনা তান্নবা ব্রাহ্মননা খাম্বা)

শুকৃতি ঃ- ঙাইবিখো ঙাইবিখো মিশ্র ঠাকুর। (চৈ মুন্নবা চৈ ফাবা)

তৈথিক ব্রাহ্মনগী ঈশৈ

ওহে মিশ্র ঠাকুর

মচিন্দা অমৃত রস কোক্ত্রিবা

করিসু খংদ্রিবা অঙাংনি।।

মাঙোন্দা পীবিগবা দণ্ডিদো

ননাই ব্রাহ্মণ্ডা পীবিয়ু।। (তৈথিক ব্রাহ্মননা খুরুম্বা)

শুকৃতি ঃ- ইবুংঙো নিমাই ! বাবা ঐ লাল্লে ঐবু ঙাকপীয়ু হায়য়ু বাবাদা খুরম্মু।

নিমাই ঃ- বাবা ঐ লাল্লে ঐবু ঙাকপিয়ু। (খুরুম্বা)

(জ:মি:না মতুংদা মখুৎনাম্মনা থৌরি লোৎশিনবা ইচা ফূররোয় হৌগৎলু হায়বা নিমাইনা হৌগৎলকপদা মখুৎ তাপ ফাদুনা মখুৎ অনীমমক থৌরিনা পুল্লগা চিংদুনা পুবা মরক্তা নিমাইনা থৌরি খংচিং চিংবা মপা তুগে তৌবা, নিমাইনা খংনোক নোকপা মপানা ফুগে তৌবা, চোংবা ফনবা কয়ামুক মপান কয়ামুক ঙাঙবা, তৈথিক ব্রাহ্মন চংদুনা নিমাই মহুৎ শিনবা নিমাইনা উথক কখিবা)

জ:মি: ঃ- লমহেনবা অঙাং নঙ ঙসিদি কোইচিং চিংদুনা পুগদৌরিবনি, মাগী অঙাং তুম্মিবা, খুজিন্না শিক্তুনা কপহল্লি, ষনাও মচা থাদোকই, লৈশাবীশিংনা গঙ্গাদা তর্পন কৎলবা লাকপদা লৈশাবীশা নখোয়না পুরিবদো ঐঙোন্দা কৎলম্মু

বর (নপুরোইবা) অফবা ফংজৌ বরপীবিগে হায়। মীয়াম্না পাওহোম্বা ময়াম অসিনা ইনাকোং অসি ফুল্লেনেহায় মসিমক্তা ফৃগেদা।

(খুৎতা পায়রিবা চৈ অদুনা লৈবাক্তা পোপ থারগা ওনশিনবা শুকৃতি ওইরম্বা)

জ:মি: ঃ- বিষ্ণু! বিষ্ণু! করি মতৌনো অসিদি ঠাকুর ! ইচা নিমাই কদোমদা ?

শুকৃতি ঃ- ঠাকুর ভাব ইতা তাহৌদ্রে।

জ:মি: ঃ- হা নিমাই, হা নিমাই (কৌবা থিবা)

নিমাই ঃ- বাবা ঐ অসিদা লৈরে। (নিমাই উথক্তগী খুম্বা মপানা উবা)

জ:মি: ঃ- নিমাইচান্দ কুমথরকউ তপ্না তপ্না.. (খুৎ খৎপা)

নিমাই ঃ- বাবা ঐ অৱাংবা উগী মথক অসিদা অসুম লৈরগে।

জ:মি: ঃ- শচী ! শচী ! (কৌবা লাংতক্লা)

শচী, মালীনি হৌগত্তুনা ঃ- ঠাকুর তাকপিয়ু।

জ:মি: ঃ- লাওনে লাওনে নচা নিমাইসে উথক্তা লৈরেনে।

চেন্না চেন্না লাকপা শচী- মালীনি গীত

লাকও লাকও গৌরমনি লাওনে লাওনে নিমাইচান্দ

উথক্তা ভঙ্গি শারদুনা ইমাবু করিগী ঙকহল্লিবা।।

নিমাই (প্রভূ)ঃ- ইমা ঐবু কূমলকউ হায়রবদি বাবানা পায়রিবা চৈ অদু থাদোকহল্লু।

সচী ঃ- এ: এ: ঠাকুর চৈ অদু অমুক্তা থাদোকপীয়ু।

জ:মি:ঃ- ইপা চৈ থাদোক্লে। (চৈ লংথোকখিবা)

নিমাই (প্রভূ)ঃ- ইমা খরা হন্দোকউ ঐ কূমথরক্কে। (হন্দোকপা)

জ:মি:ঃ- হন্দোক্লে কুমথরক্লো নিমাই।

নিমাইঃ- ইমা বাবা ফম্মু।

জ:মি:ঃ- হকমল্লিহে মসিগী অঙাংসে। (ফম্বা)

নিমাইঃ- হৌগৎলু (হৌগৎপা)। নখুৎ নামা নামা থাঙ্গৎলু (থাঙ্গৎপা)। নখুৎ অনী থাঙ্গৎলু (থাঙ্গৎপা) নখোং অনী থাঙ্গৎলগা লেপ্পু।

জ:মি: ঃ- হায় অঙাং- খোং অনী থাঙ্গৎলগা ঐখোয়না কদায়দা লেপকদৌরিবা, লৈজহৌরো ঐখোয় চৎলে। (মায় ওম্থোক্তুনা চৎপা)

নিমাই ঃ- এ : এ: তাদৌরে তাদৌরে। (ময়াম চেনশিনবা হায় হায়।)

নিমাই ঃ- তাসু তাবিদে ঐনা ফাগি তৌরগা।

শচী গীত

ঙক্লে ঙক্লে নিমাইচান্দ উদগী ওন্থরক্কুনা তারগা ইমাবু করি ওইরসিগে হা নিমাই নিমাই নঙদি ইমাগী থব্রায় মঙানি।

নিমাই ঃ- ইমা ! ঐ ঈশৈ শক্কে তাওকো।

সচী ঃ- শকউ শকউ নখুত্তু চেৎনা পায়ুয়ুকো।

প্রভূ গীত

ইমানা হায় ননি হুই
বাবানা হয় মাখন হুই
ঐদি বন্দা লৈবনি
ষনবী ষন্নাও শেনবনি।।

নিমাই ঃ- এ : এ: তাদৌরে তাদৌরে (খোঙ নামা শৎ থাদবা)

জ:মি:ঃ- নিমাই ঙাওশিন্ননু অরেম্বদা তাদুনা তোক্কনি।

নিমাইঃ- ইমা ঐ তূমনিংলে (মমিৎ উইবা)

শচী গীত

নতাৎ তৌগনু তাৎ তৌবা, লৌশিং তৌগনু লৌনম্বা,
নতাৎনা তাক তাক থেংবদা ইমাদি থক থক নিকলেনা।।
উথক্তা তূম্বা হৌনদে জগৎ কনাসু তূম্নদে মনিগী কাংথোল মথক
কাব্রঙ্গী মোন্দুম মোন্তেকথক ইমানা চেজেৎ কোল্লগা
নচিন্দা অমৃত ইল্লগা তূমগদবা ইচানি।।
তম্পাকথক্কী ইরন্নী ইমাগী ফিজিগী মনিনি লাও লাও ইবুঙো।

(নিমাইবু থেমদুনা উথক্তগী কুমথহল্লগা মখুৎ অনী অদু তাপ ফারগা শচী মালীনী অনীনা ঈশৈ)

গীত

নিমাইরে নিমাই নিমাইরে নিমাই এমনরিতি করে শিখিলগ।।

হা নিমাই নিমাইগ।

উচ্চ বংসের সন্তান হায়য়ে নিচ্চ বংসের মত্ত কুরিতি কারে সিখিলিগ।।

হা নিমাই হা নিমাই ... উচ্চ।।

মতৈলোন্দা

নিমাই নঙসে নিমাই নিমাই নঙসে নিমাই

করম্বা লমচৎনো কনাদগী শাজৎনো ।।

হা নিমাই নিমাই নঙসে।।

হা নিমাই হা নিমাই নিমাই

অচৌবা শাগৈদা পোকপা অতোনবগী শাজৎ লমচৎ চৎপা।।

(শচী মালীনী অনীগী মনাক্তগী প্রভূ (নিমা) চেনখিবা মমা অনী তান্নখিবা থোকখিবা। প্রভূনা মমান্নবা মুকুণ্ডনচিংবা কৌশিল্লগা জগোয়গী মওংগুম নদিয়াগী খুঙ্গংদা চৎপা)

শুত্রগী ঈশৈ

নদিয় ঘর ঘর জাকে মাখন চুড়ত খাই।।

পুরুবাই ভাব উঠহি গৌর।।

ব্রজের ভাব মোনেগুনি পুরুবহি ভাব উঠহিগৌর।।

শিকার উপরে ননি মাখন চূড়ত খাই

ব্রজের ভার মনে গুনি।।

(মতাঙ অসিদা প্রভূনা ভক্তশিংগা লোয়ননা জগোয় শাগনি। জগোয় লোইবদা প্রভূনা য়োং কৌগনি।)

প্রভূ (নিমাই) লোল

বান্দর আও আও ...

য়োং থোক্লকপা প্রভূগা অথুম অহাও চামিন্নবা য়োংগা প্রভূগা পন্না জগোই শাগনি।

মতাং অসিদা মমা শচী প্রভূ তান্নরুবা ফংদদুনা যূমদা চংলকপা মমা চঙলকপদা য়োং চেনখিবা। ইমুংদা পোৎ- চৈ চাইখাইরম্বা উবদা শচীনা শাউদুনা চৈ পায়দুনা।

শচী গীত

আরেরে চাটুরী বালক ডাকাটি নিমাই
করি করিবে এখনসে তোমার জাতি গেল।।
কুথাকার ব্রাহ্মন কুন কুলে কেবা চিনে
তার ভাত খাইলে জাত রহিবে কেন।।
হাইরে আমার ডাকাটি নিমাই ছি ছি কিবা
লাজ নাহিক বা ... কুথা।।

মৈতৈলোন্দা

লৈরম্মু খঙগনি নিমাই
হাকমল্লিদা নিমাই
নঙনা করি ঙম্বা ঐঙোন্দা খঙলেদনা।।
কদায়দগী ব্রাহ্মননো খঙলবরা নঙনা মাবু,
মানা থোংবা চাকপু নঙনা চারুরিববু, ইকায়রেদা।
অৱাবনি ঐদি লমহেনবা অঙাং নঙসে,
ইকায় ইকি শুকখং খংদেনেসে।
(প্রভূ (নিমাই)না মখুৎ লোন্নদুনা)

নিমাই লোল

শুনো অহে মাই শচী রানী অমিত গুৱাল জাতি।
অমিত রখ্বাল অমিত গোপ সদাই বনে বনেতে থাকি।

মৈতৈলোন্দা

তাবিয়ু ইমা শচী রানী। ঐদি গোপ মচানি।
ষনবী ষন্নাও শেনবনি। ইমান্নবা কয়াগা শান্নজবনি।
থেক্লা নৌনা জগোয় শাজনীংবনি।

শচী লোলঃ- হাঁ কি বলছ নিমুক ছি ছি ছি বর লাজ্জার কথা। তুমী বলেত অমি রখ্বাল আমি গোপ সদাই বনেতে থাকি এই কথা নাকি বেশ আজ কি থিক করাদব,

মানে পরিক্ষা করব, পুবের্ব ব্রজরাজ নন্দন যশোমতী পুত্র কৃষ্ণ তাণ্ডব নর্ত্তন খুব ভাল জানে, তুমি গোপ হইলেত মায়ের সামনে দারিয়ে এমনি এমনি করে নাচত।।

শচী গীত

নাচ একবার বার বার। বাচা তাদৃমি তাদৃমি তাদৃমি তা তা থৈয়া থৈয়া দেখ বাজাসে মৃদগ তা থৈয়া থৈয়া প্রান যাদুমনি।। নদের বমনী গন চাজা চায়া রয়াছে কি ভূলেছ... এক্ষির নবনী থররে থর না না চিলে ননি নাদিব তোর প্রান যাদুমনি। বর বাক্ত্রা হাইয়াছে তোর মাও ছারি ছারি ছারি নারি সভাব কা এ সিঙ্গা মুরুলী ধররে ধর জনম সাফৈল কররে কর প্রান যাদুমনি।।

মৈতৈলোন্দা

শচী লোলঃ- করি হায়বা নিমাই, পামজদে ইকায়জৈ, করি নঙনা হাইববু... ঐদি গোপ মচানি রাখ্বালনি, মতম পুন্নমক্তা বন্দতা লৈবনি অসি নত্রা ? ফরে, অদু ওইরবদি ঙসিদি অচুম্বরা অরানবরা পরিক্ষা য়েংবা তারে, তাও মমাঙঙৈ ব্রজা নিংথৌগী অমত্তা ওইবা যশোদাগী মচা ওইবা কৃষ্ণ হায়বদুদি তাণ্ডবনচিংবা জগোয় শবা য়াম্না হৈ য়াম্নসু ফজৈ হায়নৈ, নঙনা গোপ মচা ওইরবদি ঐগী মাঙদা জগোয় নীংথিনা শাবা তাই ।

শচী গীত

জগোয় শারো ইমাগী নিমাই ইমাগী নিমাই।। সে সে তাদ্গিমি তাদ্গিমি তা তা থৈয়া থৈয়া হায়রগে পুংলোন, তা থৈয়া থৈয়া ইমাগী থৱায়গী মনি।। নদিয়াগী ইবেম্মাশিংনা চিংনা চিংনা য়েংবগী মমাংদা সে সে ক্ষীরসি লৌরলাউ জগোয় সানা সানা হৈত্রবদি ননি শুকপী পীজরোইকো ইমাগী থৱায়গী মনি।।

(মতাঙ অসিদা মচাবু নুংশিমনখ্রদুনা শচীনা লদু পীজরোই হায়না লংনবা য়াই, হায়বদি - শচী শাবী কালাকার অদুনা পামজবা অমসুং হৈনবা মওংদা মদুদা প্রভূনা শাউদুনা নিংঙাই তৌবা মশান্না তারে,শচীনা চেনশিন্দুনা)

গীত

সে সে ক্ষীর ইনবিগে ফাগি তৌবনি ইমানা।

ইচাগী নতৌ য়েংনিংবনা ঙাওরেনে ইমাগী থৱায়গী মনি। নঙবু মচা ওইনা ফংজনিংবা ইবেম্মাশিংনা পরেং পরেং লেপ্লি। চেলশিল্লু মনাক্তা ইমা ইমা কৌবীরু পেকপগী মহৈ য়াল্লে খলহম্মু ইমাগী থৱায়গী মনি।

(মতাং অসিদা প্রভূনা জগোয় শাগনি মমা শচী মালীনী অনীনা সঙ্গোম গ্লাস পায়দুনা মচাদা উৎকনি।)

শচী- মালীনী গীত

সুন্দর রুপ মম নিমাই গৌরমনি যাদুমনি।।

আইরে নিমাই আইরে নিমাই নয়নেরী তারা তারা।

দেখ দেখ ক্ষীর ননী মাখন ননী ননী।।

তা দৃমি তা দৃমি তা তা, তা তা তাথৈয়া।।

ধা কিতি তক্কে ধুম কিতি তক্কে গদি গনে ক্রাংন ঝা কাংন ঝা।।

কর পর চাঁলন কংকন বাজে কন কন কন কন।।

কংকন বাজে।।

পদ যুগ চাঁলন নোপুর বাজে

ঝন ন ন ন ন ন ন

নোপুর বাজ।।০

মৈতৈলোন্দা

ফজৈদা নুংশিদা নিমাই গৌরমনি যাদুমনি।।

লাউনে নিমাই মীৎকী লৈতেং ওইবা।

য়েংউ য়েংউ ক্ষীর মাখন চাররো।

তাদ্রিমি....

থাবু ঙম্বা খুৎকী খুজেং খুজিগী খোঞ্জেল।

কন কন... খুজিগী খোঞ্জেল।।

কিনি কিনি কিনি কিনি।।

থাবু ঙম্বা খোংগী খুজেং খোংজিগী খোঞ্জেল

ঝন ন ন ন ন ন ন শুম্মৎপা খোঞ্জেল।

মতম অসিদা জগন্নাথ মিশ্র চঙলকপা শচী মালীনী অনীনা নিমাইদা ননি পীজবা ঈশৈ শকপা নুঙাইনা মমা মচা কেনদুনা লৈবা উবা

(জ:মি: স্বাগত)

জ:মি: ঃ- নুংঙাইদকো শচী অসিনা তৌরিবসে অতিথি অমা সেবা তৌরি পূজা কায়খ্রে করম তৌসিগেদি হায়দ্রদুনা মচা অসি কেহন্দুনা থল্লিবা অঙাং অসি মাঙবা তরেদো... ফৈ ঙসিদি খঙগনিদনা দণ্ডি পিগে...।

শচী ! (খোঞ্জেল ব্বাংনা কৌবা)

(শচী মালীনী অনীনা ইপা পাখৎপা ইমুংদা চেনশিনবসু নংদবা মচা ফূবিনি খন্দুনা মমা অনীগী মতুংদা লোৎশিনবা)

শচী ঃ- অজ্ঞা কি বোলুন (অজ্ঞা করি তাকপিগদবা)

জ:মি: ঃ- নিমাই কোই গেল (নিমাই কদাইদা চৎখ্রে)

শচীঃ- গঙ্গা তিরে খেলতে গিয়েছে। (গঙ্গা মপন্দা শান্নবা চৎখি)

(শচীনা মচাদু মতুঙদা লোৎপোই ইনবোই উদনবা হোৎনদুনা কিনা খোঙফম অমা অনী চৎলগা কৌবা খোঞ্জেল ব্বাংনা)

শচী ঃ- নিমাই ... তুমার বাবানে বার বার ডাক দিয়েছে এস বাবা...। ঠাকুর শুনসেন।

মৈতৈলোন্দা

শচীঃ- নিমাইচান্দ বাবানা নুঙবু য়াম্না কন্না কৌরে ইমাগী নাক্তা চেল্লও। তাদেনে ঠাকুর...।

জ:মি: ঃ- রাখোরে শচী ! আমার কাঁনে মৈধ্যে এক্তা নপুরেব ধনী আছে, এই ধনী কোই থেকে আছে।।

ঙাইখো শচী নুংশিরবা নপুরগী মখোন অমা তারিবসে কদাইদগীনো।

(শচীনা য়াম্না পাখৎনা খুন্বা)

শচীঃ- না না না ঠাকুর অমার নুপুর ধনী হায়।

নত্তে নত্তে ঠাকুর ঐগী খোংজিগী মখোল ওইরমগনি।

জ:মি:ঃ- শচী।

শচী ঃ- অজ্ঞ্যা।

জ:মি:ঃ- তোমার পিছনে কেউ আসে। (নঙগী নতুঙদা কনা লৈ।)

(শচী পাখৎখিদুনা)

শচীঃ- আমর সায়া সায়া। (ঐগী ইমিতা লৈবনিদা)

(জ:মি:না শচীগী মতুঙদগী অঙাং অদু তাপ পায়দুনা চিংথোক্লগা...।)

জ:মি:ঃ- শচী ! অসি গঙ্গা মপান্দা শান্নরিব্রা হা ? নচা নুংশিরিবনি হায়দুনা নঙনা অঙাং অসি পূম্মাং মাঙহনগদৌরি। (থৌরি অমা পিবা) সে থৌরি অসি পায়য়ু, পয়য়ো পায়য়োসে।

শচী ঃ- ঠাকুর থৌরীদুবু করিগী ওইরবনো ?

জ:মি:ঃ- পূজা থুগাইবা লমহেনবা চাক লাকপা অঙাং অদু হৌজিকমক থৌরীনা পুন্দুনা থম্মু..।

(শাউনা থৌরি লংশিনবা) শচীনা থৌরী লৌখত্তুনা কোকথক্তা খুৎকা লোইননা হাপ্লগা...

গীত

বিধি মোরে শকরুন এমন শিসু মিলাওলে।।

কুটি জন্মে পুইন্য ফলে..

ওরুপ লাবন্য নিধি কি দিয়ে গোরাসে

বিধি এমন শিশু মিলাওলে।।

মম কৃত কর্ম্ম ফলে এমন শিশু মিলাওলে।

(মিশ্র ঠাকুর শাফু কন্না অশাওবা হেনগৎলকপা)

জ:মি:ঃ- করি ! নঙনা পুন্য তৌদুনা চাক লাকপা নচাসে বিধিনা নঙঙোন্দা পীরিবা।

শচী গীত

খোমা দে খোমা দেগ মিশ্র

এতই কেনে নিদারুরন হে।।

খিন মতি শিশু যেন সম পশু

মুখে যেন স্তনাম্মৃত রস জাইনা।।

অঞ্চলে পতিয়া এ ভিক্ষ্যা মাগী

আমার নিমাই ক্রেধ নিবারন।।

জ:মি:ঃ- নমা নচা অহুম পুন্দুনা থম্লগা ব্রাহ্মনগী পূজা কৎকে।

(শচী, মালীনী, নিমাই মমা-মচা অহুম পূন্না থৌরিনা উখোং অমাদা পুন্দুনা থমখ্রে। অনৌবা শন্দেশ খরা লাংদুনা ব্রাহ্মনগী নাক্তা পুরক্লে।)

ঠাকুর মতম অসি য়াম্না থেঙখ্রে মসিনা ঙসিগী গোপাল দেব ভোগ ওইনা কৎপিরো। ইচা ফত্তবা অসিনা অপরাধকী মশক্রী।

শুকৃতিঃ- ঠাকুর শ্রীকৃষ্ণনা তম্বনি কৃষ্ণগী কৃপানি।

(ব্রাহ্মন মমিৎ উইশিন্দুনা ভোগ কৎপা ফমখ্রে)

শুকৃতিঃ- জয় শ্রীগোপালদেব আগচ্ছ আগচ্ছ...।

(পুন্দুনা থম্লিবা প্রভূ মনাই ব্রাহ্মননা কৌবদা লৈবা য়াদ্রে। শক্তি কয়ানা মমাবু তূমহল্লম্লগা লেঙথোক্লক্লে।)

শুত্র গীত

জানিলেন অন্তরজামী শ্রীশচী নন্দন। চিত্তে চাছে বিপ্রের দিবেন দরশন।।

যে স্থানে করয়ে বিপ্র অর্ন্ন নিবেদন।

আইলেন সেই স্থানে শ্রী সচী নন্দন।।

জয় শ্রীগোপালদেব (খুরুম্বা প্রভূনা চাদুনা লৈরম্বা উবা)

হায় হায় একি সবর্ব নাস শিশু দুরাচান্দ পুন বার কৈল তীন বার হইল, বুঝি কৃষ্ণের নহি দিলু আর্ন্ন আজি।

(ব্রাহ্মননা পুখম থাঙ্গত্তুনা প্রভূগী মচিন ময়ানাক্তা)

খাও খাও শিশু, অর্ন খাও

উদয় পরিয়া কৃষ্ণে তোমার দিল খাইতে।

প্রভূ (নিমাই)ঃ- একি কথা ওহে বিপ্রবর তুমিত উদায়।

তুমি আমার দাকি আন্ন কিদষ আমার।

মোর মন্ত্র যোপ মোরে কহ আবাহন।

রাইতেনা পারে আমি তোমার বিদ্যামান।

আমারে দেখিতে নিরবদি ভাব তুমী।

অতত্রবা তোমারর দেখ দিলাম আমি।

মৈতৈলোন্দা

প্রভূ (নিমাই)ঃ- মনাই শুকির্তি ব্রাহ্মান্দা শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভূনা কৃষ্ণ মুর্ত্তি দর্শন পিবিবা (কৃষ্ণ মুর্ত্তি ওনখিবা) হেক উবদা :-

গীত প্রার্থনা

শুকৃতি ঃ- ব্রজবিধু প্রান নাথ শ্রীচরনে

শারনা ওধম জানিয়া

রাখ মরে॥

কুটি জন্মে জন্মানতরে

প্রেম সেবা দেহ্ মরে।

মম পঞ্চ প্রান সনে বিন।

মুইলে দাসী হোবা।

প্রভূ বাল্য লিলা লোইরে

-o-

অভিরাম সঙ্গ

শুত্র

কত দিনে পড়ে মিশ্র হয়ল স্বর্গবাস।

দিনে দিনে গৌড়হরি ভক্ত সঙ্গে বাস।

শ্রীবাস প্রাঙ্গনে পূন কৈল সঙ্কীর্ত্তন।

প্রতি জনে জনে প্রভূ দেখি ভক্তগন।

অনুবাদ

জগনাথ মিশ্র লৈখিদ্রবা নুমিৎ কয়ানিগী মতুংদা শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভূনা ভক্তশিংগা লোয়ননা লেপ্লি শ্রীবাসগী মন্দিরদা ভক্তশিংগা লোয়ননা। সঙ্কীর্ত্তন তৌই, প্রভূনা ভক্ত পুম্নমক য়েংলকই মথং মথং ...।

অসিগী মখাদা কর্তান মরোন হৌবা।

অদুদগী মেনকুপ চৎপা অসিনচিংবা।

প্রভূ বলি

রে রে শুনহুঁ সুবল মধু মঙ্গল কে কে রহু অবগোই কহা হৈ বিলম্ব হুঁ সবহুঁ সমাগমে চলন সুমচন অবগোই। কাহরহুঁ ভাইয়া অভিরাম, কাহারহুঁ ভায়া অভিরাম।

নিংশিংবিরিব্রা দাদা শ্রীদাম্বু অমুক্তা নীংশিংবিয়ু।

নিত্যাই বলি

ওহে প্রভূ মেরি বচন অবধান করবি তুহারি তেরি সন্দেহ সবকু যবর বন্ধ আজুকা দিনমে ঈশমপি জাও বলি হারি ।

ইবুংঙো ! ইবুংঙোনা কাউখ্রবননি মমাংঙৈ ব্রজ বৃন্দাবন্দা কেকু লোৎপী শান্নখিবদ মদুদা লৈহৌরে ।

প্রভূ বলি

ওহে ভাই নিত্যাই জী অবজনি সঙ্গহি মিলাহুঁ স অভিরাম কহা পাইয়ে রহিগেল হামু নহিজানে

নীংশিংলে নীংশিংলে দাদা শ্রীদাম্বু অমুক্তা কৌবিরু চৎলো।

নিত্যাই বলি

পূবের্ব শ্রীবৃন্দাবন মেই অবজনি সঙ্গয়ি শ্রীগীরি গোবর্দ্ধন কন্দরে নিকুঞ্জ কুঞ্জ মেই তব সমুঝওল সবহু বিলাস মেই।

ফগনি ইবুংঙো নয়াম্বা থিজরুগে।

প্রভূ বলি

মধুপুর মেই অক্রুর কা রথ মজাওই দিন অবসানে আও অত ব্রজ ভূবনেই শ্রীদাম গোঠারমে লুকাওতো বাসরনা ভাই নিত্যায় চান্দ ডাকর থমে আওবি কহত সমাচার।

নিত্যাই বলি

জী অজ্ঞা প্রভূ জী অজ্ঞা প্রভূ।

শুত্র গীত তাল- ভাঙ্গা

গ্র গ্র ত ত তাং

শুঙরী শ্রীবৱন্দবনে বহে জাই প্রেম বারি।

পুরুব ব্রজের ভাব শুঙরি, শুঙরি বহে য়ায়।।

ষেদ কলপ পুল কাশু ভাব স্বতিকা বিকার..।

অনুবাদ

মমাংঙৈ ব্রজগী ৱাখল নিংশিংঙি নিংশিংঙি ব্রজ প্রেম্না।।

হকচাং নিক্লে তু চুংলে বিকার তরেৎনা লৈতেংলে।।

শুত্র গীত দুই তাল

শুনী নিত্যাই নন্দরা প্রেমেরী পাগল পরা।

আওল জব পাওল তব শুখদ বরজ।

তহি আনন্দে ভরল বৃন্দে গোকুল খন নিরখিয়া।

মথুরা পুরি নিরখি ঝর কত মনুরথ ভাবিয়া।

তাপর অওল নন্দ মহল ধাৱত মন মতিয়া।

জবহি্ দেখত দধি মন্থন সহয প্রেম স্মরিলু নিত্যাই।

(মাখন চিংবগী মত তৌগদবনি)

(খুৎ থাঙ্গত্তুনা)

নিত্যাই প্রেম পাগল পারা।

ব্রজের ভূমি চেয়ে চেয়ে মা বলিয়ে ষন ডাকে।।

গৌর গৌর বলি ডকে ভাযা ভাযা বলি ডাকে।।

দুতি বাহু তুল্লি হরি হরি বলি ভায়া ভায়া বলি ডাকে

দিগ বিদিগ নাহি জানে স্বাস ঘন বহে জায় দু নয়ানে প্রেম ধারা।

হেলে দুলে গৌর প্রেম ভয়ে নিতাই চলিতে নারে।।

অবুধত বেস ধরী নিবেদিলু নাম ধবী।।

নিত্যাই লোন

হা, হা, মাতা যশোমতী কি হইল হইল (তুবা)

গীত শুত্র

বাসল প্রেম দেখত ধাম ডাকোয়ে শ্রীনিত্যাইনন্দ, ডাকোরে শ্রীনিত্যাইন্দা। ডাকোরে শ্রীনিতাই নন্দ মাতা যশোমতী নিতাই রদ ধারা বিরাম মাইরে। মন্দা কিনী পর ধারা বিরাম নাইরে।

শুত্র গীতঃ- (খোঙ অহুমলক থাংবা য়েৎ- ওই হঞ্জিনবা..)

ভথা হইতে চলিগেল নন্দের মন্দিরে পুরুব সুঙরী

নিত্যাই পরে ভূমি তলে।

প্রেমের পাগল পরারে।

নিত্যাই লোনঃ- হা হা মাতা যশেমতী কি হইল কি হইল (তুবা, হৌগৎপা)

(মন্দলীগী কৌবু চিথেক্তা অভিরাম ফমগনি। নিত্যাই নন্দনা মায়কৈ মরী চেন্দুনা কৌগনি)

নিতাই লোনঃ- আইশ ভাই শ্রীদাম প্রান ভাই শ্রীদাম।

অভিরাম গীত

এথা মর নাম দাকে কিবা কাজ আসে।

নিত্যাই ঃ- আইশ ভাই... শ্রীদাম

অভিরামঃ- ভাই কহ্নাই শুনলো মর স্কন্ধে চরাব

অভিরামঃ- বারে বারে কুন সখা আমাই দাকোনা তুরিতে লেহ্ ভায়া আমার শক্তি পাবর্বনা পাবর্বনা।

নিত্যাইনন্দনা অমুক কৌবা ঃ- আইশ ভাই ...শ্রীদাম।

অভিরামঃ- কো বাত তুম চলিজাও, হ্মারী পাসমে তুম নহি আওবী জাও তুম চলিজাও।

নিত্যাইনা তাপ ফাবা গীত

আইশ আইশ প্রান শ্রীদাম না কর বিলম্ব।

পুবের্বশীল আমি বলরাম এবে হইল নিতইন্দ।

সেই শ্রী গোবিন্দ নবদ্বিপে অবতরী,

য়াব নাম শ্রীগৌরহরি আমায় সঙ্গে চল শ্রীদাম

শ্রীদাম লোন

হ: হ: ভালো ভালো পিয়ারী বলাইজি গন্ধ ঘ্রান অবহি বুঝাব সুনহ্ তহ্ ব্রজ লাল লালজী খেলত যমুনা কিনারে কিনারে।

নিত্যাইনন্দ

এস এস ধরহু হ্মারী হ্মারী

শ্রধীম ঃ- ধাইও ধাইও ধরবী হ্মারী হ্মারী।

শুত্র গীত দুই তাল

তবহী অওল ধর ধর বলিয়া।

হেরি তহি শ্রীদাম ধাওত চলি জাই।

বালকের ভাব গুলী শ্রীদাম উদ্ধ সাসে ধাই

হেরী তহী নিত্যাই চান্দ অখি ছল ছল।

নদিয়া নগর কুলা হইলরে হেরি ভাই।

(শ্রীদাম, নিত্যাই অনি জগোয় শানা শানা লমজেন তান্নরপা প্রভূ চেম্থোক্লকপা)

প্রভূঃ- চিরো কালে অদর্শন অজি পাইলু দশর্ন আইশ ভাই দেহ অলিঙ্গন। অজি হইতে ভায়া শ্রীদাম বল অভিরাম

ভক্ত ময়ামঃ- ধন্য ধন্য ভায়া ভায়া শ্রীদাম বল ভায়া অভিরাম

শ্রীদাম বলি

শুন প্রভূ গৌরহরি অপরুপ চরিতা তুহারী।

সঙ্গহি রঙ্গ অবগয়ে রাজ বরিাজে

তুমার চরিত প্রভূকে পারে বুঝাব।

অধম জানিয়া প্রভূ কর পবিত্রা।

খুরুম্বা

প্রভূঃ- উথ উথ অভিরাম অভিরাম।

ভক্তবনিঃ- হমারী মন্দীরম আজুকো আনন্দো আনন্দো শায়ওরে। ভায়া অভিরাম অশি শুদ্ধ ব্রজবাসি আজু হমে নদিয়া বাসি।

প্রভূ বলি

শুন শুন নিত্যইনন্দ শুন হরিদাস সবর্বত্র

অমার অজ্ঞা করহ প্রকাস প্রতি ঘরে ঘরে

ঐই কর গিয়া ভিক্ষ্যা কৃষ্ণ ভজ কষ্ণ বল কার কৃষ্ণ শিক্ষ্যা।

নিত্যাই, হরিদাসঃ- জি অজ্ঞা প্রভূ।

সঙ্কীর্ত্তন

হরে কৃষ্ণ হবে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে,

হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে।

হরে কৃষ্ণ হরে রাধে কৃষ্ণ রাধে রাধে।

- ০ -

মণিপুর গৌরলীলা অহুমশুবা অধাই্

জগাই্ মাধাই্ উদ্ধার

শুত্র

হেন কালে তারা দেবী আইলা হরি গুন গায়।

(তারা গীত)

হরি হরি মোর কবে হইবে সুদিনরে।।

গৌর হবি দয়া ময় ময় দেখা দিলে না কেন।।

অনা থের নাথ তুমি ওগো তির গতি প্রভূ তুমী সনাতন হে্ মরে..।।

অনুবাদ

হরি হরি কৈদৌঙৈনো ঐনা নীংবা থুংজগদবা।।

গৌরহরি থৌজাল হৈবা নিমাইবু করিগীদমকনো উহনবীদবা।।

প্রভূ নঙদি তোল্লবগী মপূনী গতি লৈতবগী মপূনি নঙদি

চানবি হৈবা হে ইবুংঙো ননাইবু করিগীমদক চানবিদবা।।

(জগাই্ মাধাই্ অনী য়ু ঙাওদুনা লাকপা তারাগী ঈশৈ তাবা মাই্গৈ ঙাওনা চত্তুনা তাবা)

জগাই্ মাধাই্ গীত শারা অলাপ

জগাইঃ- আরে মাধাই্ তুমি আমি নবদ্বিপের মধ্য মতাল হইএ থাকতে নাদি কুন জে নারি কান্দেগো তরা করে জনাহও অমাই ।

আরে মাধাই নং ঐনা নবদ্বিপকী মনুংদা হায়না হুম্না পাল্লিঙৈদা নুপী অমা কপ্লিবসি কদাইদনো ঐঙোন্দা অমুক্তং খঙহল্লু।

জগাই গীত

আরে রে রে রে রে রে রে রে মাধাই

কিং করেশি তুং অবদো

আমার দো ভাই থাক্তে নাদি

কুনজে নারি কান্দে গো...।

মাধাই গীতঃ- আরে রে ... দাদারে জগোই শুনি ধনী মনহর্ষে কুথা কান্দে বল মরে মানে ধনী স্তির কন্ঠ ভাগ্য হইল আজিমরে না ছরিব জেনারি যেন সিরাল ইদুরে ধরিয়া দিব।।

অনুবাদ

খোঞ্জেলসি তাবদা হরাওরে পক্লিং, কৈদনো কপ্লিবা য়েংউগে থাদোক্লোই ঙসি মাবু ঐনা শোইদনা ফাগে ওইনিংবা ওইরমসনু।

জগাই গীত ঃ- শিগ্রী জাও- তুরা করি জানাও মরে।

মাধাই গীতঃ- পথে মাঝে উলিগ্রাম খুজি জাই থাক থাক থাক দাদা মাহশয়।।

অনুবাদ

লম্বী লমহাং খঙ্গং খুঙ্গং ফাও ফাওদুনা থিরুগে চৎলগে শৎ ফৎ হল্লক্কে ফাদুনা পুরক্কে শোয়দনা পিগে দাদাগী খুত্তা

গীত

জগাই ঃ- অবলারের কর্ন্দন শুনি প্রান অমার বাহিরাই তুরা করি জানাও তরে।

মাধাই গীতঃ- জাগাই দাদা, দাদার অজ্ঞা সিরে ধরি জাইগো দাদা দাদা..।

(খোংথাং কুপ্না চেনগদবনি)

(মধাইনা চেল্লকপা তারাগী মনাক য়ৌবা ওই হায়বা ঙকপগুম তৌবা জগাইগী নাক্তা হল্লকপা)

জগাইঃ- কেজো মাধাই ? (কনানো ইবুংঙো)

মাধাইঃ- তারা তারা তারা।

জগাইঃ- কি জৈনে। (করি মরমগীনি হায়গে)

মাধাইঃ- কি জানি দাদা জিজ্ঞ্যাস কর। (কনানা খঙগনি হংবিয়ু)

জগাই ঃ- কুথা আছে (কদায়দা লৈ)

মাধাইঃ- সমুখে (মাঙদা লৈরে দাদা)

জগাইঃ- লক্লসিদো ইবুংঙো

মাধাইঃ- লক্লসি দাদা

জগোই আরে চন্দ্রমুখী... য়ৌ, হা: হা: হা: (নোকপা)

মাধাইঃ- দাদা ঐ অমুক কৌগে - হো .. করি হায়এ হা: হা: হা:।

জগাইঃ- (ঈশৈগী ছন্দদা) হা তারা করি খল্লি...।

মাধাইঃ- (ঈশৈগী ছন্দদা) ঙাইজরিয়ে নপাও খোলদো।

জগাইঃ- নুংশিনা অমুক্তা ...

মাধাইঃ- খুমদোকলকউ (জগাই মধাই নোকমিন্নবা)

জগাই ঃ- তারারে কি জৈনে রদন করিতেছ ? তকে অবঞ্জা করালক ভাল করে বল সত্য তাকে অমি সবর্বনাশ করা দিব

অনুবাদ- তারা করিগীনো নঙনা কপ্লিবা, নঙবু থওই উশিত্তবা কাংবুদো শেংনা তাকউ সৈত্য মখোয় অদু লোইথোক্কে।

বাল তুমার কি কম (হায়য়ু নঙগী করি ব্রাৎলি)

তারাঃ- ঠাকুর অমি আর চাইনা, একতি মন বাঞ্জা পূর্ন হায়লনা ।

অনুবাদ- ঠাকুর ঐ করিগুম্বা অমত্তা পামজদে পূক্লিংনা নীংজরিবা অসিতং থুংহনবিয়ু।

জগাই মাধাইঃ- ওই (হন্দোকপা) হা : হা: হা: (নোকপা)

জগাইঃ - আরে মেজ ভাই তারার মন বাঞ্জাতাকি।

অনুবাদ- ইনাও য়াইমা তারানা নীংলিবা অসি করিনো ?

মাধাইঃ- জানিনা দাদা (খঙদে দাদা)

জগাইঃ- আমি অনুমানে পেছি- ঋতুরাজ বসন্তে আগমন- জাতি, জুটি মাধবী, লবঙ্গ কেটকী ইত্যাদি বনের ফুল প্রফুষ্টিতের হৱাতে। তারার মনউদিগ্ন হওৱা ধুক ধুক লেগীসে।

অনুবাদ- ঐনা ভাবনা খঙই- বসন্ত ঋতুনা লাকপসিদা লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈ -শু, জাতি, জুটি মাধবী, লবঙ্গ, কেটকী নচিংবা লৈশিংনা ফুগায়না শাৎকায়রকপদা লৈগী লৈনম ফংবদা তারাগী মপুক্লিং অসি মওল মওল খল্লকপনি।

মাধাই ঃ- তারারে নংগী পুক্লিংগী অপাম্বাদু শেংনা অমুক্তং হায়য়ু।

তারা লোন

তারা ঃ- ঠাকুর আগে সত্য করুন, তবে অমি বলিতে পারে।

অনুবাদ- ঠাকুর সত্য হান্না অমুক্তা তৌবিয়ু অদুগা ঐ হায়জগে।

মাধাইঃ- কি সত্য (করিগী সত)

জগাইঃ- বাধা কি সত্য সত্য তোর পক্ষে জগাই মাধাই ডারিতেছি বোল তোমাব কি কম।

অনুবাদ- করিগী তৌদনি সত্য সত্যনা সাক্ষী ওইসনু নংগীদমক জগাই মাধাই ইচিন ইনাও লৈরি হায়যু নঙগী করি ৱাৎনি। (তরাগী মমাংদা জগাই মধাই লেপ্পা)

তারাগী গীত

শুন হে ঠাকুর শ্রীগৌরাঙ্গর সঙ্কীর্ত্তনে দেখিতে আইলু বলি আমি।

না পাইলু দবশন মনে করি ইশা কেমনে বিঞ্চমু বলি আমি।

গৌড় বিনে গতি নাহি গৌর আমার জীবন ধন হে হা গৌব অবলার জীবন ধনহে ধনহে ধনহে ধনহে।

মাধাইঃ- আরে পাপিনী তোব মাঠাই থোক্কদিব থাক।

(চৈ পায়দুনা চেনশিনবা ফুগে তৌবা জগাইনা চৈ ফাবা)

তারা শ্লোক

হা কৃষ্ণং জগত নাথং

ভক্তানাং ভয় ভঞ্জনং

প্রশনং ভবমং দেব দেহি দাইস্যং পদাম্বুজে।

হে কৃষ্ণ হে দিনবন্ধু কেজানে তুমার মায়া

পাপিনী দুস্কিনী তারা অভাইগীনী

আপদ কালেতে রক্ষা কর মাধব, হে কৃষ্ণ..

জগাই বলি

আরে তারারে, মাধায়ের নিশ্চয় মোরবি

তোরূ করি ফের জাও জাও.. (শাওনা ঙাঙগনি)

তারা নংবুনে মাধাইনা শোয়দনা হাৎপিবা তারে।

যান্না থুনা চৎচহৌরো চৎলোনে।

তারা লোন অনুবাদ

ঠাকুর। গৌর হায়বগা কৃষ্ণ হায়বগা অনী অসি অমখক্তনি থাজৌ, গৌরাঙ্গবু

নীংজরবা মী মহাক অদুদি ব্রজগী কৃষ্ণবু শোইদনা ফংইদো। কৃষ্ণনা ইপানি কৃষ্ণনা ইমানি কৃষ্ণনা ঐখোয়গী থৱাই নি ইরল ইথুম ইচা ইশু পুন্নমক অরেম্বনিনে মাধাই। অদুনা হরি শোল্লু শোল্লুনে মাধাই।

মাধাই ঃ- কেরেহে বস্তু নিবারন।

মাধাইনা চোংশিন্দনা অশাওবগা লোইননা...

তারাগী গীত

হে কৃপা নিধে করুনা মায়

কলপ বৃক্ষ্য কারুইনা ধামা

অতি কাতর লোক রক্ষ্যা

হা কৃষ্ণ হার মনং হা হা

গতি নাথ দেব হা হা কাদাপী

ভবিতা করনা নমস্তে।।

মাধাইনা তারাবু ইন্থুবা - জাও পাপীনী

তারাগী গীত

মোরোন কালে দেখা দাওহে অভয় চরনার বৃন্দে।।

ভূবন মহন রুপ কোটি কণ্ডর্প জীনী ত্রিভঙ্গ ভঙ্গিমা রুপ...

জগাই মাধাইঃ- না কি গৌরাঙ্গ আমী বলবনাই

শোলোই করি গৌরাঙ্গ ঐখোয় শুকশোল শোল্লোই

তারা বলি

হা গৌর দয়াময় করু নক্য সিন্ধু তোমার চরনে কি অপরাধে এত দুখ দিলেন, আমার অন্তিম কালে দেখা দাও চরন দুখানি অবলা জানীয়া প্রভূ রক্ষ্যা কর দিন বন্ধু, মধাই কলি কালে কৃঞ্চ নামবীনে আর গতি নাই, মাধাই হরিবল মাধাই হরিবল তোর পাপেরে ভারি পালিয়া জাবে।

অনুবাদ

হা গৌর থৌজাল হৈবা নুংশিজবতনা সমুদ্রগী মশক ওইবা ইবুংঙো নঙঙোন্দা করি লানখিদুনা ননাইনা, অসি য়ৌনা অৱাবা পীবিরিবনো ঙাকপিয়ু প্রভূ তোল্লবিনি

খনবীদুনা, মাধাই অমুক্তা হরি শোল্লু, হৌজিক কলি হায়বা যুগসিদদি কৃষ্ণগী নাম নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈত্রবনি মাধাই, সে হরি অমুক্তা শোল্লু।

মাধাইঃ- চন্দ্র সূর্যদেবনা সক্ষি ওইসনু নঙবু ঙসি ফুরমদনা চৎলোই, নঙনা নীংগদবা লাই নীংঙু।

(মাধাইনা চোংশিন্দুনা তারাগী মশম অমসুং মফি পায়দুনা অকনবা অশাউবা উৎকনি।)

তারা শ্লোক

হা কৃষ্ণ দয়া মায় দয়া কর একবার সভা মৈধে দ্রৌপদীকে বস্ত্র লজ্জা নিবারন আনল কুণ্ড মৈধে প্রহলাদ রাখিল নরসিংহ মুরারি হিবন্য কোসিপু বিদারি ইহম সঙ্কত কালে রক্ষা কর দিন বন্ধু।

মৈতৈলোন্দা

হা কৃষ্ণ থৌজাল হৈবা, থৌজালবীয়ুগবা ননাইবু সভা মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা নংলবী দ্রৌপদীবু কনবিখিনা, কন্না চাক্লবা মৈগী কুণ্ডদগী প্রহলাদবু কনবিখিনা, অদুম্না ননাইসু অৱাবা তারবীনী কনবীয়ুদা মাধব।

মাধাই ঃ- কমদৌই কৌনে কৌখো হায়বা

তারা গীত

ধিক ধিক তারা অভাইগীনী

কেমনে সহিব প্রান।

দারুন বিধি এতোই দুখ দিলে আমার।

অনুবাদ

তোল্লি তোল্লি তারা লাইবক থীবী করম্না ঐনা হিংগনি।

নোংদম্বা বিধিনা ৱাজৌ হায়না তন্বীরম্লে।

জগাই মাধাই অনীনা ঃ- জাও জা....

তারা গীত

হরি হরি মোর কোবে...

তরা মমাই ওস্থোক্লনা চৎখিবা মকোক্তা শকখিবা ঈশৈ শকপা লোইবদা জগাই

মাধাই ওন্সিল্লগা

তারা ঃ- মাধাই সেসে জানা জাবে।

(জগাই মাধাই- তারা মতাং অসিদা লোইরে)

জগাইঃ- এ ... পিচরি পিচরে আসেরী মিসরে

এ এ এ চরকত মচরে চরম চোরো

এ চি রি রি চিরেরে।

(মথক্কী ঈশৈ অসি নুপীদৌনা থেক নৌদুনা কেদুনা ফাগিগী মওংদা শক্কদবনি।)

মাধাইঃ- এ: মসি অমুক লাকঅব্রা (চৈ পায়দুনা চোংশিনবা)

জোগাইঃ- এ: এ: ঐনিনেহে, শক্তাসিদি।

(জাগাই মাধাই অনিনা সুরা পান তৌবা, ঙাওদুনা তুদুনা লৈবা)

(মতম অসিদা নিত্যাইনন্দনা ভক্তশিংগা লোইননা সঙ্কীর্ত্তন লাকপা জগাই মাধাই তুদুনা লৈবা উবা)

নিত্যাইনন্দঃ- কুন জাতি দুই জন ঐই মতিবা কেন ?

অনুবদঃ- মখোয় অনী অসি করি জাতিনো করিগীনো মখোয় অনীনা তুদুনা লৈরিবসে।

ভক্ত ঃ- তাবিয়ু ইবুংঙো মখোয় অসি অচৌবা ব্রাহ্মন শাগৈদা পোকপনি, ফৎহিন্দ্রবা লমচৎ ঙাক্তা হৈনখ্রবনি অদুনা তুদুনা লৈরিবনি মখোয় মাঙজরবনি।

(নিত্যাইনন্দনা ভক্ত অনীগা লোয়ননা তুদুনা লৈরিবা জগাই মাধাইগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা)

নিত্যাই, ভক্ত গীতঃ- হরি বল বল জগাই মাধাই

তোরা নেচে নেচে জাই দুই ভাই।

হরি শোল্লু জাগাই মাধাই

হরাও জগোই শারো মাধাই

(জগাই মাধাইগী মখুৎ পায়দুনা চিংখৎলুবদা জগাই মাধাইনা শাওদুনা লাওদুনা তান্নরকপা। হরি সঙ্কীর্ত্তনগা থেংনবা)

সঙ্কীর্ত্তন

হরি বলিরে ওরে ভাই জগাই মাধাই গৌর হরি বল।

ব্রাহ্মর দুহলব প্রেম বিনা মুলে বিকাইলে নিত্যাই বাসা।

যেনা লয়ে নিত্যাইনা রাধা কৃষ্ণ পাবেনা গৌর হরি বল।

(জগাই মাধাইনা সঙ্কীর্ত্তন থুগায়বা ভক্তশিং চনবা)

ভক্তশিংঃ- গৌরহে দয়াময় নিত্যাই হে দয়াময় (হায়না চেনবা)

ভক্তশিং নাকল নাকল ফমথগনি ময়াইদা লম্বী অমা চৎপা, চেনবা য়ানবা শেমগনি।

মাধাইঃ- কোই গেল গদাধর... (থিবা)

গদাধর কদায়দা চৎখ্রে।

ভক্ত মক্তগী গদাধর হৌগত্ত্বনা ভক্ত মরক্তা লৈবা লম্বীদুদা চেনগনি।

গদাধরঃ- মাধাই নাকর না কর না কর

কৃষ্ণ নাম বিনে আর গতি নাই।

ঙাইখো ঙাইখো মাধাই মাধাই

কৃষ্ণগী নাম্না অথোইবনি।

গদাধর গীত

হরি বল হরি বল হরি বল ভাই

রাধে বল রাধে বল রাধে বল ভাই॥

(মাধাইনা অমুক তানগনি গদাধর অমুক চেনগনি।)

গদাধর গীত

কৃষ্ণ বল কৃষ্ণ বল কৃষ্ণ বল ভাই

গোবিন্দ গোপাল শ্রী মধুশুদন॥ কৃষ্ণ বল ভাই॥

মাধাইঃ- তুমিন লৈয়ু হরি কদায়দা লৈ, রাধা কদায়দা লৈ। মাদু শোল্লগা করি কান্নে নঙ ঙসি খঙগনি...।

(মতাঙ অসিদা শ্রীবাস সাবা অনি নুপামচা, নুপীমচা ওইবা য়াই নুপাগী ফিজেৎ ফৈজোম ফুরিৎ নাপু মচু নামাবলি খাওন পুনগনি।)

শ্রীবাস গীত

লেওরে কৃষ্ণ নাম বলরে জগাই মাধাই একবার মুখে বলরে মাধাই।

ভজিলে শ্রীরাধা গোবিন্দ পাবে ব্রজ ধাম নিচয়ে জীবের মলিন সব দুখ দুরে জাবেরে। নামেরে গুনে জান মাধাই এমন নামের গুন তরিল আজামিন পুত্র নাম বলি চলিল গোকুলে অহে শর্গ বাসি তর ভাব শিন্ধু পাপ তাপ গেল।।

ওরে ভাই জাগাই মাধাই লাও কৃষ্ণ নাম।।

ব্রজে রাধা কৃষ্ণ সেবা করহ ভাই জাগাই মাধাই।।

ছার দুষ্ট ওনাচার ভজ নিত্যাই চরন কমলে।।

দুতি বাহু তুলি নাচো হরি বল জগাই মাধাই

হরি মাতা হবি পিতা হরি প্রান ধন।।

নাচরে নাচরে মাধাই নাচরে দুটি বাহু তুলি একবার নাচরে।।

(ঈশৈ অসি জগাই মাধাইগী মখুৎ পায়দুনা শক্কদবনি জগাই মাধাইনা মখুৎ পায়দনবা হোৎনগদবনি)

কালি কালে গৌর নিত্যাই জুগে জুগে অব তরি, দুটি।।

কুতি চন্দ্র শুলিতল নিত্যাই চরন কমল পদে

ধজ্জ বজ্জ্র কুশুম রেখা কলি কালে...।। (জাগাই মাধাই চংখিবা)

মখাসি খর শমজিল্লগা ভক্তগী লিলা খর ভক্তগী সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

গীত

হরি শোল্লি গৌর জগোই শারী

জগোই শারী গৌরাঙ্গনা সঙ্কীর্ত্তনগী

ময়ায়দা খোঙদা সনাগী নুপুরনা

রুনু ঝুনু হায়না নিল্লি জগোই শারী।

মতাং অসি দ্বারিপান্না জগাই মাধাইগী মহুৎশিন্দুনা ভক্তশিংগা লাক্কগনি অদুগা জগাই মাধাই ফী হোংলুগদবনি।

রাজ বেসঃ- ফুরিৎ অচোনবা কোকয়েৎ য়েৎকনি।

মল বেশগী মাধাই দেখিয়াগী সুত্র গীত কা পুংলোন দুই তাল

ধিন তেন ধিন ধিত তেন তাৎ

খিৎ তেন ধিন গীনগ্র ধেৎ তৎ ধেন।

তৎ ঘিনাং আ ফাক লৈত্রবা

অথুবা ঘিন ধেনা ঘিন ধেন্না

ঘিন ধেনা খর খর তাথেন খর খর

তাথেন তথেন গীনগ্র ধেন খিন নাৎ

মকোক্কী পুংলোন হঞ্জনবদা ঈশৈ পুনজে তাগল্লনি।

মাল বেসগী মতমদা- নিত্যাই নন্দ অমসুং মাধাই মাযকৈ মায়কৈ লেপ্লগনি।

সুত্র গীত দুই তাল

মাধাই দেখিয়া পুরুব সুঙোবী মনেতে

স্মবিল নিত্যাই, আবে।।

(খোঙথাং য়েৎনা অমা ওইনা অমা থাংলগা অহুমশুবদা লৈসল্লক্লগা ওইনা অমুক হৌদুনা চৎকনি।)

সুত্র গীতঃ- কংস অনুচব চানুব মুস্তিক মনেতে

স্মরিল নিত্যাই, আরে... (মাধাই হঞ্জনবা)

(আরে হায়না হঞ্জিল্লকপদা খুৎ থাঙ্গত্তুনা খোং কুপ্লা থাংলগা য়েত্তা অমুক ওইদা অমুক চেল্লগা তুংদা অমুক চেল্লগা মাঙদা অমুক চোংশিনগনি। অদুগা হান্নগী খোঙথাং হঞ্জিনগনি। হাযরিবা অসি ঈশৈগা কোন্নগনি।)

পুন যে গর গর লমফে ঘন ঘন মল বেস ধরীল নিত্যই - আরে...।

দান্ত করমারি মালছা তদিয়ে লমফে বাহু মুলে ধরী আরে .. পুন যে...।

নিত্যাই নাচেরে নিত্যাই নাচেরে

দুতি বাহু তুলি নিত্যাই নাচেরে।।

হেম দন্ত বাহু তুলির - নিত্যাই

এ দিগে নিত্যাই।

ওই দিগে মাধই।

মুখা মুস্মিবে ...।

বসন্ত সময় হস্তিনি কারন দুই মত্ত গাজ্জ যুদ্ধ করি তেমন তানা তানিরে...।

মতাঙ অসি হেক লোইবদা নিত্যাই ভঙ্গী শাদুনা লেপকনি। ভক্ত অনি থোক্কুনা মখোয়গী ঈশৈ অসি শক্কনি।

ভক্ত গীত

ভজ নিত্যাই নন্দন চরন শারজে...।

গেল দিন গেল দিন গেল দিন ভাইরে।

নিত্যাই নাগর রশেরী শাগর ভজনের কলপ তরু নিত্যাই অমার।।

নিত্যাই নাগর সঙ্গে নিশি দিন ব্রজ বৃন্দাবনে খেলিছে অনঙ্গ কুঞ্জালয়ে।।

কখনাও যুগল শারে নই প্রেম সজ্জা লইয়ে প্রেম বাঢ়াইলু নিত্যাই আমার।।

শ্রীরাধা যুগল সঙ্গে করি ব্রজ বৃন্দাবন খেলিছে আনন্দ কুঞ্জালইয়ে।।

সখি সবর্বধিকা অভিনো রধিকা আনঙ্গ মঞ্জুবী নাম লাইয়ে... নিত্যাই আমার।

শ্রীমতী কিশ্বরী আনঙ্গ মঞ্জুবী দুই দেহে এক প্রান নিত্যাই আমার...।।

মাধাই ঃ- খাওরে বেত্তা খাও। (ভক্ত অনি ইন্থোকপা)

(মাধাইনা নিত্যাইনন্দগী ফী মুনবা)

নিত্যাইঃ- লেও লেও মনিহার একবার বল রাধা নাম, ঐই মনি মুকুট হার লেত্তরে মধাই বল কৃষ্ণ নাম। (মতাং অসি চেন্থোক চেনশিন তৌগনি)

